দোন ঝান

দোন বান

Adaptation from Ronald Duncan's "Don Juan"

জি: সি: তোংরা

লীলা মীকোক

১। দোন হ্বান টেনোরিও
২। কেটেলাইওন (মনাই)
৩। দোন লুই মৈয়া
৪। দোনা এনা! (লাইনীংলবীদ খোংদাদৌরবী)
৫। দোন গোঞ্জালো, মাগি পাবুং
৬। দোনা ইজাবেল্লা (লুইদ থাজরবী)
৭। ব্রিগিদিয়া (এনাগি নর্জ)
৮। কেপ্তেন আভেল্লেনেদা (হ্বানগি মরূপ)
৯। কেপ্তেন কার্লোজ (আভেল্লেনেদাগি মরূপ)
১০। পাউলিনা, হোটেলগি নুপীমচা
১১। বেপটিস্তা " "
১২। আলফ্রেদো, মীথুংশঙ লোইব
১৩। নুংমী শাব
১৪। লাইনীংবী
১৫। এন্টোনিও, ইজাবেলাগি মনাই।

দোন ব্বাণ

Act One
Scene One

সেভিলগি মীথুংশঙ অমগি মপান্দ লৈকোন অমা। নোংয়াই য়ো-দোরে। লমআওবা মাইখুম উপ্প কয়া চংলৈ। ইশৈ তাবা নংই (Guitar গ)।

আলফ্রেদো, মীথুংশং

মপু, গ্লাস নাম্বোকই Back Stage দা (B. S.), মহু মান লৈ-কোনগি ময়াইদ থাবিবা মেজদ পুরে, মেজহু অটেংগা মায়দে, উহৈ থম্মি, ফিন কুপ্পি। চৌকি ২ থাগ, লৈ অশাংপশিংদ য়েংলগা ঙকই, মতমহুদা মমাই থুব নিপা অম চংলকই। মেজহু মীখি থাকপন শোংনব হোংলৈ, মাইখুমহু কাচিন্দ থাব Stage Left (S. L.) কি মেঙ অমদা চংখি। য়াম্মা হুংডাইরহুন আলফ্রেদো মনাক্ত নোল্লুক চংই। মাইখুমহুন মাবু থোশাবীদে।

আলফ্রেদো: Good evening, Senor কবি পুজরকউগে? ফ্রেঞ্চ ব্রান্দি? ন'ত্ত? অহুদি পঞ্জব স্রান্দ্রা বোরগোনা গ্লাস অম, নিফু তরেং? হেক্ত ময়াইকাব য়ু মথক অমনি, মচেশিংন মগুনদ মঙোন্দগি হেন্দবনি। মজ্জগ ইভো, থোইদোকপ মথক অমগি য়েংবিগত্রা? নত্তে, ঙসিদি

কুশৈ মুমিংদিন? এমোরেট্টো অমত্তংদি? থণ্ডবিরম্মোই ইণ্ডোনা, অশেংবা অতাংব মথলদনি, য়াম্ম ফাংব, সেণ্ডিলগি মমুংদ হোটেল অতৈদ কংবিরোই। পোর্টো ফ্রাইষ্টোগি লখোইবশিংন শুংবনি, অমুনব উঁহেগি মরুদগি লৌবনি, মুবু নত্তে। অশিবদগি হিংগংপানি! মহৈ য়াম্বি উপাল শিংছ তরেংশুব চহিদদ, মছু থকপ লখোইবশিংছুন হেন্ন তোয়ন মচা পোকই। মসি য়ুম্থনি ঐন অছুতৈ লুহোংব নৌরিবৈদ থকখিব, হুজিকন্থ মছুদ থকচৈ, থকপ তাবনি মওন্দুন হায়জরিব ইণ্ডো, এমোরেট্টো গ্লাস অমত্তং পুজয়কে?

মাইখুম: নত্তে, ঐণ্ডোন্দ পীয়ু bottle অম......

আলক্রে: ...... বোটল অম! ইণ্ডো ওসিবু খৌনাও থম্ম কংবিরুরত্রা, মতুং তাবন হেন্ন শাথীব য়ান?

মাইখুম: Ink bottle অম, মুকফু!

আল: ঐখোয় ইণ্ডো ফাগী পাম্বিবোইরে?

মাই: ইণ্ডোন হায়রিবসি ফাগী নত্তে।

আল: অণ্ডম ইণ্ডোবু মুকফুদ নত্তন অতৈ করি পাম্বিরকখিদগে?

মাইখুম: কলম অম।

(আলক্রেদো লৌরুরে মমুংদগি)

আল: কলম অম, মুকফু অম। ইণ্ডোদি কবি ওইরে?

মাইখুম: ইণ্ডোসি কবি নত্তে।

(আলক্রেদো চংথিবদ মাইখুম হাম্ম কার্লোজ. বেপটিষ্টা,

আণ্ডেৱেনেদা অমদি পাউলিনা লাকই)

মাইখুমঃ (মথন্দ)...... মহাক ওইরম্মবদি, মসি চহি অমগি মনাংদ ইরম্ব য়াররবনি। [ইব হৌই]

বেপটিষ্টাঃ ঐবু করিগুম্ব মকম অমদ থুনমক কমত্রবদি ঐ কেল্লকপ ভারে। মাইখুমশিংসি কনাগুম্বগি মাইথোংদদি থৌজাল হৈ হায়রবু — লৈশাবীদি মথোঙগ মানন হমুব ভাররে।

পাউলিনাঃ নহাক্ক ঐথোয়বু মাইপ কয়া চংহল্লে।

এভেঃ ঐঙোন্দ অরানব শীগনু। নথোয়ন লাকচনিংখিবনি।

আলঃ সোরদ লেংশিনবিয়ু সেনোর, ইবেম্মশিংমু ইভোশিংগি মনাক্ত লেংশিনবিসিদন।

বেপঃ ঐথোয়গি ইমান তেম্মন হায়রম্মিঃ লৈশাবী অমন লেপ-তুন লৈরিবরুথৈদি পুনচুম চুম্মি।

পাউঃ মহাক থোক্ত লাইয়েংব নিপাদ মখুম পানখিত্রা?

(আলব্রেঃদান মাবু ময়াই থংব মেরদগি পুথোকখি, (S. R.) Stage Right ত লেপখি।

বেপঃ (থোকপুপ কাওথোক্লগ) পানবিদে সন্ত্রী অমদ।

আলঃ ইবেম্মশিংগি কার সেবা তৌজগদগে?

বেপঃ ঐন ভশেংন পামগদবদি ঐশিং অশাব পুন অম, মথোয় সিবু লুপশিন্নব — অহুগ গমছা অমগ।

আলঃ থোক্ত হায়ব অম, গমছা অম।

(শঙ মমুংদ চংখি)

পাউঃ ঐ খনবদ থোকে করিগিদমক নথোয়ন ঐথোয়বু অসি ভায় পুরকইবনো।

কার্লোজ: মাপি নঙোন্দ খর হেন্ন খোল্লরিনি। নৌন খুন্দাক্তমশিংদ লৈবদোন তৌৗর অহুগ মুংশাইজবদঙ্গু অন্না ওইব।

আজেং: মহাক সেভিলগি ময়াইজবুকসিদ মশক উৎলনব খোনা লৈয়োই হায়ব কাওব খল্লাও?

পাক্ষ: অহুদ ঐখোয় মফম'সিদদি মৈগি কুম্মৈ অমত্ত উরয়োই। ঐদি পায়ম্বনি মৈগি কুম্মৈ খর উবদি। রোকেট তৌন নিংদোন চৌ হনব পোত্তি অমত্ত লৈয়োই।

বেপ: অহুগ ঐখোয় সভা যাত্রা পূম্ব উব ফংলয়োই, লৈগি লান্দি পনবু পল্লুবনস্তু।

আজেং: নখোয় অনীবু ঐঙোন্দ চয়োল কয়াগি মমাংদৈ তক্লকইব নত্রাও ঐগ মরূপ দোন খানবু মশক অমুক্তদি দর্শন ফংহল্লু হায়রুন?

বেপ: নংন্থু খল্লিয়োহদ আসগুম্ব ফত্ত হৌদি পৈত্তমসিদ মহাক লাকনি হায়ব? নংবু খনব্রাও? ঙসি অহিংসিদি লাক লোক্ত, অহিংদংগি ময়ক্তগি ঙসিদদি? ময়মদদি সে-ভিলসিদ মুসী খুদিংন মমাই খুয়রবন মখোয়ন পায়গদবদি করিগুম্ব অমহেক্ত মমিংদ য়াওদব। ঐবু হায়জো হায়-রবদি মহাক সাটা মেরিয়াগি মপান্দ লৈয়মগনি, কার্দি-নেলগি চবেম্মগু মপাম্বে'মদ য়ালহন্দুন।

আভেং: ঐন হায়রিবসিনি মফমদু অসিনি। মসি ক্লাইয়িং হোর্স নত্রাও টোর্বাম্নাদা কাওরগ তারকপ। মীথুংশঙসি মঙনিমখোয়নীন শীংনখিব। ঐ খঙকম খোকয়ে, ঐহাক মত্তাইদ কমত্তন লৈরব্বনে।

(চিঠি ইরিব মাইখুম হায় অহুন ফম্মিবরোমদ মখুং থিন্নগ)

বেপঃ মসে, ওইরব য়াই দোন রান ?

কার্লোঃ অপগুব রানি মহাক্তি থাংদন ইবনি।

পাউঃ মহুগি মথক্ত, মহাক ওইরবদি নহাক হংজ্রবস্তু হেক্ত থগুনি।

বেপঃ করম্না ?

পাউঃ নং ভাবন হেক্ত থগুনি — অহুবু নখোণ্ডদদি নত্তে।

কার্লো· ওইব য়াই ঐসু দোন রান। নং করম্ন থগুনি ঐ নত্তে হায়ব ?

বেপঃ ঐ মণ্ডোল্ল হায়গেদো ?

(আলফ্রেদো চংলকই ঈশিং পুন অমগ, গমছা অমম্ম অমসুং এমোরেট্টো লিক্লী অমগ পুরক্লগ থৈম্ন)

আলঃ তো সিদ লৈরে ইবেম্ম-ঈশিং পুন অম অমদি গমছা অম অহুগ সিদ এমোরেট্টো থর ইমুংদগি......

ঐ তুকচনি কনাগুম্ব অমন সিদ লাক্লগ ঐগি য়ুমথুংশণ্ড-সিবু ইরুজভম কা অম নত্রগ লাইনিংভম অম ওইন লাম্ন লৌরবদি।

(লিক্লীহু মখুম হাংলগ হৈদোকই)

কার্লোঃ কনাগি মিংদ থকপ।

বেপ: মুংশিবগি মিংদ থকসি।

পাউঃ নহাকপু থর মুংণ্ডাইব হৈমস্রাও ?

আন্তেঃ ঐখোয়গি মাইখুম অমগ অমগ উনহন্ত্রিব ইশা ইশাদদি তাকইব অসিগি মমিংদ থকলসি।

(মখোয়হু গ্লাস থাংগৎলি, মাইখুম হায় তোণ্ডানব অহুন

খুৰাক হোন খুৰদ মখোয় মশিংদু খংহন যু হৈদোকই)

মাইথুমঃ কেটেলাইওন।

আলঃ (মনাক্ত চংশিল্লগ) সেনোর ?

মাইঃ কদাৱদ চংখ্রে ঐপি মিনাই য়োং অদো?
মাবু থর কৌরকউ সিদ।
(কেটেলাইওন চেন্সিল্লকই)
কেটেলাইওন, মসি দোনা এনাদ পীরু। মাসি শোয়দ- মথুংত য়োইহনব তায়.........

কেটেঃ য়াম্ন ফনি সেনোর। পাউথুৰগি দরকার লৈত্রা সিবু ?

মাইঃ পাউথুম অম পাম্মি।

কেটেঃ মহুগি ঐবু ডাইরকপ তাত্রা ?

মাইঃ নত্তে, কেটেলাইওন, মহাক পাউথুম পীরকওই, নহাক চহি ১০০ ডাইরবগ্নু।
(কেটেলাইওন চংখি, মাইথুম ফমথি মথুংত মথুদাং শৌহুন)

আভেঃ মসিন ওইব য়ারোই...... অদুবু খোঞ্জেলদু তোইন তাগ্রবগুমদি তৌই।

পাউঃ দুংশিকরগ থৌশাবিরক্রবগি মখোল মাল্লি···

বেপঃ অদুদি মসি দোন ম্বানদি ওইররোই !

কার্লোঃ ঐখোরগি পার্টি অম ওইন তৌসি হাৱরবদি অসিদ চং- লসি। ঐদি চাক লাম্মে।
(মখোয়দু হৌগংলগ ময়াইদ থাম্নিব মেজদ চংকে তৌই)

আল: ম্রাম্রৌবিবদি ম্রাদে, মেজসিদি ম্রিজান্ত তৌম্রবনি।

আন্তে: অওইবমক ?

আল: মানি সেনোর, মসি চহি অমগি মমাংদগি হায়বম্মবনি

কার্লো: কনানা ?

আন্তে: অচৌঅশাং অনীথক।

আন্তে: মথোয়দ্বগি মম্রিংদি ?

আল: ঐ থওদে। মথোয়দু মমাই খুম্মি তৌবদি। ঐন হায়-

গুম্মহুন ওসি অহিংদি মহু চহি অম কারে।

আন্তে: য়েংউদো ঐন নথোয়দ হায়খিত্রা মকমহু অসিনি হায়হুন।

বেপ: অমদি দোন লুই নংখিত্রাও ?

পাউ: অমহুন দোন বান ?

আল অয়াবনি, ঐ থওজে। ঐ কাউথোকত্রে।

(বেপটিষ্টা কাম্ম মমাইগি মেজদ)

বেপ: অহুদি ঐ সিদ কম্মগ নহাক্ক নিংশিংত্রিকাও।

আল: নত্তে চানবিয়ু.........

(পাউলিনান অভোম্প চৌকিহুদ কমদি)

পাউ: লাংতক্কগয়, ঐথোয় হেক্ক চথোকখিনি ; নংন ঐথোয়দ

তম্মো থোকখিবশিংহু.........

আল: মহু চহি অম কারে ওসি হুমিদাংদি, ঐন কমহুন লৈ-

রবহু তু অম্রবাইদানৈ.........

নত্তে, ঐ থনখিগে হুজিক। ঐ সিদ কমখিবনি।

পাউ: নংন কমখিব মকমহুন কৈদৌদগে ?

বেপঃ মতোল্ল ওংলুখিনু। নংন হায়রবদি' নহাক অনুরাইস কমথি হায়রবনি।

আলঃ নত্তে, সিদদি। ঐ সিদ কমথিবনি খোইত্রে।

পাউঃ অদুদগি করি থোকখিবা?

আলঃ মীথুংশওসি মাগি হৌনব মীন স্বাই পাবনি, অমন অমবু থরুব লৈবিগত্রা হায়দুন ওায়নরিব......... মদুদগি ইথা থাজদন লাক্লে হায়বকা তাক্তন মথোয়দু চংলকখি।

কার্লো। লাইন থওনি, কনা কনা লাকখিবা?

আলঃ ঐ উব কংভি অচৌ অশাংসিদি করিমত থরাই তাদে......

বেপঃ লৌথবিরু নংগি রারীহ

আলঃ ঐবু কদায়দ লৈরগদে?

বেপঃ "ইথা থাজদন, লাক্লে হায়বক তাক্তন মথোয়দু চংলকখি.."

আলঃ মানি মথোয় চংলকখি......

পাউঃ কনা কনানো?

আঃ করিনো. ঐন অশাইন হায়ত্রবদুদি; লোন লুই অমস্থং লোন ৱান।

মথোয়নী থকমিররম্মি অদুগ থকপদগি মহৈ মহৈ পোং-নরক্লে, মথোয়ন চুপীশিংদ মমাই পাকলুবগি...... মপা কয়াবু নমথাক তৌরুব, মপুরোইব কয়াবু লৌনম্মকপ, কুমারী কয়াবু মাংথোকউব অমদি মৌ কয়াবু পেলহন্নুবগি

বেপঃ মথোয়বু ময়েক শেংন শাংন চথনখিত্রাও?

আলঃ অমনা অমদাগি হেন্না তমথীব তাম্নখি। মমৈদ মথোয়না

পেন্তা লিশীং ১০/১০ থানখি কনান চহিদুগি মন্নুংদ হেন্ন মাংতাকহনব ওয়্বগে য়েংনবদ। মখোয়ুন তাংনখি ওসি অহিংসি পানসি হায়দুনা অহুগ মেজ অসি অহুথৈ-দগি হাইরক্সবনি।

পাউঃ দোন লুইন মবাই পাকখুনি মশান তাবনি, মরংদি মান মরল লৈব হেন্নি, মশক কজবস্থ হেন্নি।

বেপঃ অপঙব হ্বানি, সুপী অমন নিপাবু মশক্কিদংক্ত সুংশিদে, মখোয়ুন লৈশাবাবু মবুকচেল শেংবশিদ তান্নদবওম।

কার্লোঃ ঐদি দোন লুইদ শেল থানি, ঐন স্বম তাবদগি খজিও হ্বানদি পথাপ নাইন পাপকি থবক চৎথবদ পাংমনদব কা'বুদ চল্লি।

বেপঃ অচু ওইরবস্থ ঐদি মওোন্দ থানি। মহাক্কুব লিগা জাং-পুনি সুপীন খল্লিবসি, মখোয়ুন নওোন্দ, থাজরদগি হেন্ন থোজানবিরকপ মতমদ। হ্বাগি মমিৎশিংহুদি ঈপাক-নাপী অচোংপওবনি।

জাজঃ (মখোয়বু হৌগৎহন্নব) চানবিয়ু, চানবিয়ু, হুজিক নোংযাইয়োদৌরে।

(মখোয় চৎখি মখোয়গি মেজ (Stage Left, S.L.) দ।

আভেঃ মহাক্ক অহুক মিহৌওম ওইরবদি ঐখোয়দদি করি ওইনি?

কার্লোঃ ইচম চম্ব থন্নবিজ্রব.........?

বেপঃ নত্তে Dear, কৈনো হ্বায়েনমক্কি শাল্লোক্কব।

[মমাইথুৰ অনি চংলকই]

আলঃ সেনোর।

[অহানবহুন ময়াইচবুকি মেজদ, অনৌগুবহুন (B. S.) back stage গি মতাই অমদ]

আভেঃ মেংউ। কনানো অম মেজ অসিদ চংখ্রে।

হায়রিব অনীহু লাকপ থোক্লবদি, মহাক চংলমদবন করম্নি খল্লি।

(অহানবগি মাইথুম হাপ্লহু হৌগংলি মহুগ মেজ ময়াই থংবহুদ অনৌব লাকপগি মনাক্ত চংখি)

মাইথুমঃ [অমদ কমগে ভৌরগ] কমকমহু কনগ্লবনি, সেনোর।

অনৌঃ (অমহুদ কম্মগ) ঐসু নঙোন্দ অহুম্ন হায়ব হাই।

মহু মরূপ অমগিদমক ঐন কল্লম্নি।

মাইথুমঃ নং লাক্লে.

মসি ঐগিদমক খাক্লনি।

অনৌবঃ অহুদি মসিন ঐদি তারে।

মাইঃ অহুদি নহাক ওইব তারে লোন লুই মৈয়া?

অনৌঃ অহুগ নঙাক্ল লোন হান টেনোরি০?

(নোংম্লাইগি পুংজা দৈ)

মাইঃ মানি। (মাইথুম লৌথোক্লে) করে. হজিক শক লোংভুন শাৱব ভোকপ য়ারে ঐখোয়।

(মনৌংদ লাপ্ল কম্মুব অহমঙব মাইথুম হাপ্লহু নহুন অতৈ পুম্নমক লৌথোকই)।

দোন লুই: লাইমুগি মরমদ হায়গদব রা অমত্তং হায়ববু য়ামজ্ঞ-বদ মহাক মতমদি চায়।

দোন ৱান: আত্তেল্লেনেদো, ঐগি চানরব মরূপ, নহাকসিদ য়াও-রনি হায়ব ঐন নিংলগ চুম্মিদনা।

আভে: ঐ মসি নাম্বোকহনগ খনথিদে।

দোন ৱান: ঐবু নংগি কজরবা মরূপশিংহুদ খওহল্লোইরোও?

আত্তে: কায়রে।

দোন ৱান: করি কায়গবনো, ঐখোয় থকসিদনা। হজিক নংগি এমোরেট্টোহ্ পুরকপ য়ারনি মখোয়গি চৌকিহ্ চিংশিল্লকও হায়বদি দোন লুইন য়ানিংদব ভৌত্রবদি।

দোন লুই: করিমত বেয়া লৈতে। ঐ ইকাইদে, ঐগি ৱারী লৌথোকপদ।

(মখোয় লোইনমক মেজগি অকোয়বদ ফম্মে)

দোন ৱান: ঐস্থ ইকাইবিদে।' মসিগি মরম অমত্তংহ্ করিনো হায়ববু ঐহাক মপান্দ খোইহৌ মপুংদ হু ফুব নত্তে মচু-গিদমক মীন ঐবু মিংদা খীহনব ...... ভাংথে., আদ লৈখিবসিবু কনানো? নওশিনবিরকউদনা করিনো সেনোর?

অহমতব মাই: খেওক য়ু। ঐহাক সিদ সুম কয়বম্ব য়াম নিং-থিন তাব কংনি খনজে।

দোন ৱান: অপাম্ববুদি ত্তৌবীয়ু অহুদ ঐখোয়গ খকমিন্নসি হায়বতনি।

দোম লুইঃ ঐখোয় শেমশান্নুন লৈরে, অতুম অদোম হোৌবাদো।

দোম রামঃ নত্তে, মচুগি খুদোংচাবচু অদোমগিনি। অদোম ঐখোলগি হেন্ন ওক্তে হায়রুন দাবী তৌবিখি। অদুম মচু প্রমান তৌবিগদবসি অদোমনি। অদোম হোৌবাৰু।

দোম লুইঃ ঐগি রায়াচুগি মথক্ত মকোক পানবিনবা?

দোম রামঃ ঐগি রাচু চিংনবিরা?

দোম লুইঃ মহোশানি।

দোম রামঃ ঐখোয়বু হায়নখিব নত্রাও মচুদি তৌকব খৌনাকব থবকশিংচুগি প্রমান পুখোরুসি হায়রুন?

মী অমবু হাংলবনি হায়ন তৌনদে মতুংদ মাবু ফুমজিন্নবদি,
অচুপ নহাক নিংশিংত্রবা ঐখোয়ন রানখিবদো; মুশী অমন দান্নবিত্রে রাকংলব হৌনদে, মমমদি মখোয়ন খন্দোকিব ওমদে মশান পামজবদৈরা নত্রগ ঐখোয়গি খৌওমা, মখোয়দি য়ায়নি অকোনবৈচুনি ঐখোয়ন খও-জিনৈদ অহানবৈচুরা হায়বকাও?

দোম লুইঃ চুপ্নি। মুশী অম লাইন মুৎলি মাগি রাচু নংন তৌনবদি মানি হায়ন। অচুবু ঐগিদি মীচং নাইদব সাক্ষী প্রমান য়াওরিসিদ।

দোম রামঃ অচুদি নংগিচু হোৌঅরৈদ ঐখোয় থক্লসি। হাকিক, আলফ্রেদো, কদায় এমোরেন্ট্রো হায়রচুদে?

দোম লুইঃ ঐখোয়গি মিহোৌভমশিংদ। [Toast]

দোম রামঃ ঐখোয়গি মিহোৌভমশিংদ! মখোয়চুদ নত্তে

ঐখোয়গী খংতোয়লশিং, মখোয়হুদসি ঐখোয়গী মাই-পীরকপশিং।

লুই: কত্তবদা।

হান: কত্তবদা! কত্তবহুদি নত্তে নখোয়না ফুংদ ফুংঙাইজব, কত্তবহুদনি ঐখোয়না ফুংঙাইজব।

লুই: পাপকি থবক।

হান: পাপকি থবক! তোগে হায়না তৌবিব অমদি হয় তৌখিব থবুং শেংন।

লুই: ঐখোয়গি থবুংলোন্দ!

হান: ঐগি গ্লাসসি তেংলে। মতুন করে মরমদি ঐ থবপ ওখোই নৈতব পোংকি মিংদ।

লুই: অহুদি নংগি গ্লাসতু অয়ুক থলহল্ল। পুলিগি মিংদ থকসি মহু মিহৌব অমদি অপাম্ব ঙাক্লি।

হান: অশিবগি মিংদ থকসি — মহুদ য়াওরম্নি মনাংদ কথ অমোংপমথৈ মহুনি ঐখোয়গি থবুংলোন......... ।

(গ্লাস লংখোকই)

লুই: অহুদি হৌব ফাররদঃ

ঐখোয়না উরখিবহুগি হেক মতুংদ ঐহাক ট্রেনাং চংলুই···

হান: করব মহৌ সমনি। করম ট্রেনাং তৌকই?

লুই: ঐ চংলুই অচিকপ মীথুংশও অমদ. নাও তিতিও অহুপ চাখি আসপারেসা, আর্টিচোক্ট চোয়কোন থাও, মঙ্গো অহুদগি শঙ্গোবকয়, খোইহী অওনব......... মখোয়সি

ঐগি হান্নগি চৌপ্লাকশিংগি মথক্তনি...... তাসিংজবাও ?

কার্লোঃ (লাংতক্সন ইখিন্দুনা চৌপ্লাকশিংত্থ) কদায়দগি তৌববুদি খিত্তং তপ্ন হাৱথবিরবদি কনি।

লুইঃ অওইবনক্সি। ঐন হায়শমচ্চুন, মুংশিব হায়বসি শান্নব মথল অর্মানিন ঐ মন্ত্রগিদমক ট্রেনীং তৌরুই। অওইবমক ঐগি মোত্তদি মুপীশিংন ওইজ ওইথক কংগনি, মথোয়গি মপুরোইবশিংন ফন্নংগিদমক মশাবু শাজেন তৌজরবদি য়ায় ব্রাথল চংন বেদমিংটন নত্ত্রগ ক্রিকেট কুম্ব মশান্ন অম শান্নগ্রৈদ তৌবগুম।

ব্রানঃ ক্রিকেট ? স্বর্গগি মিংদ, দিপা, ব্রা কোইথোকন্নু।

আভেঃ মহাক্ত হায়ব চুম্মি, তুম্বমুক োকথবদি অতৈ লৈক্রে...

লুইঃ অচ্চুন ঐদি চাকলেন্দদি মকুকনব রাইখু খজিংগুম তাক্তে চায়।

কার্লোঃ (নোটবুক লোইনন) থোংদোকপ করিগুম পোৎ ?

লুইঃ মবৈপানব রাইখু ওমোমগি মক্সম অহাংদ মোরোক অঙাংব অর্মাদ ঈশিং য়েঙ্গাংন লৈত্তে হল্লগ. ঐগি মোত্ত পুক্সিংবু ময়াই কাহন্নি, এরেটিনো. ওভিদ অর্মাদি বোকাকসিওদৈ হেন্ন করবদ শৈরেং হায়গসি ব্রাহৌদারি অচ্চুপ হৌহনবদ ওম্মি ঐন তৌগদব থবক অন্থ।

কার্লোঃ শাদি হাবিক্লা ?

লুইঃ শল্পা ওক্সা মচেৎ অম।

ব্রানঃ মহাদি ইংরেজাশংন চানবগুনি নত্ত্রপ চারম্মি থক্সবগুনি।

অহুবু মখোয়গি মুপীশিংদি কমুং চংবদ উপন্যাস লোইনৈ।

লুই: অহুগ ধর্ম্মগি হেন্ন কব লাইবক্ক মতিক চাবনি, মরমদি মসি মখোয়গি মরালনি। মখোয়দি হেক্সিন্ন থোংই। অহুগ শাদি অত্তেকপ ওইন চাগদবনি চনম মক্ক শুগাই-রব অমগ।

বেপ: মনা মশিংদি করম করব থাগৎপিদগে আলুদি?

লুই: কদায়দগি করব ঈশ্বর। মহুদি আইরিসশিংন চাহুম হিংবনি, মরমহুননি মখোয়ন বা ভাংবদ মথদাং কাব্রিবা মরমদি মখোয়াগ নিপা থোক্তবহু মরৈন কুপশিন্নিংই, অহুগ মখোয়ন ইচং থোংবদি বারা মতেক লীবদ মখোয় মখোয়গি মুপীশিংহু তুমখনব শুবদ।

আত্তে: হকচাং শাজেলদি অমত্ত তৌবিত্রা।

লুই: অমত্ত তোদে। শারব মথল পুম্ব ইংখনব হিদাক্সি, মপান্দ হেদোককম, মশা ইনথৎলকপ নিপাবচাশিংগি মতিক চাব। অহুমকপু ঐ শগোল থর থর তোংই। অত্তে লেত্রে মুপীন পাশসি, শগোল মনম নম্ব হুপালগি হেন্ন।

রান: মহু পুম্নক্তুন করিদি পাংথোকপ ওয়ে?

লুই: মহোশা ওইন, ঐ মাথুংগও থম্ব নিপাগি মুপীবু মবুক ওলহনখি।

আল: মহোশা ওইন?

লুই: মহোশা ওইন।

আন্দ্রঃ ঐন নোংই মহু করিগুম্ব অমাংবগি শিংবনি।

ৱানঃ মহুপি সাক্কীদি কনান ওইনি? মপুরোইবরা?

লুইঃ নত্তে, মচানুপীচুন। মহু মাবু লৈথাদ তাহনবগি লম্বীনি। মহুন ঐবু মমাদ থাগৎহল্লি।

ৱানঃ (মশীং ইনব চে পায়দুন) মহুনদি চুপী অমীর লৈথা তাহনব, নিপা অমবু হাংপ।
মরম্দি ঐন লোব য়াই, থম্বরব মতৈ লৌনম্বিরব অমদি শাওনিংলব মপাদুন নংাকপু লামবা তৌশি শিঙ্কমগনি।

লুইঃ নত্তে নত্তে, মহাক ভাবন শাব লাইনা অমন শিথিঃ থম্মোই কান্নব, অদুন ঐ মহু'গ মনা থানিংদে।

ৱানঃ মতিক চান কন্নবে, ঐথোয়ন লৌরসি মহাক মহোশাগি মরম অমদগি শিখির্বনি হান্নন।

লুইঃ ঐগি Training চু লোইরগ, ঐ স্পেন থাদোকখি।

পাণ্ডিঃ ওহ, করিগি?

লুইঃ অদুগ Rome দা চৎলুই।
Vatican গি মাইয়োক্কবদ কা থম লৌরুই মহুন হায়-পৎলুই ঐগি ফিরাল চেজেং অম উৎতুন ঐগি থোগুজিন্দ য়োংপীন থারগ, মহুদ ইথিবদিঃ
"দোন লুই, লাইরোলগি ভাক্তম অম, ধর্মগি বা থমবন চৌক্ল মতম লেম্মরগ"
চয়োল অমগি মহুংদ ঐতোন্দ তানব লাকখিব লম্বোইবী মচা অমমুং শেংলিবী নৈশাবী ৬ অহনদি চুপ্পাবানি

মকমহুদগি হেন্ন খুদোং চাব লৈরম্মোই।(ঐন হেক মহুদগি চৎত্রিঙ্গি মমাংদ ঐগি চেলা অমন হায়খি:- "মসি মতম পুম্বদ মুংতাইব অমনি, মুপী অমন পাপকি থবক পায়বদ। অম্রাব হায়ববু মহাক্র মাপি রাথন্দু শাংন থম্ব্রুরগানি। তৌইগুম্বনুং Saint Peter গী হেক মাইয়োক্নবন পোৎলুমহু ঐখোয়ন লমতৎত্ত কাওবদং পুবদি লায়ন ওগ্নি।"

থানঃ (ইরগ) ২ নং, ৫ নং, ৬ নংদি ১৭ গুবে। কবিদগি নহাক রোম থাথোক্লুন চৎলুই।

লুইঃ ভ্লোনিস।

থানঃ নং শিংই মুংশাদ লৈরুনব তৌব।

লুইঃ মানি, অহুগ মসি ঐন থেংনরকপনি মহুক্ত মুপীবু তাও-হনবদি যুদাগ ঈশিংন হেল্লি।

থানঃ হায়রু, হায়রু।

আলঃ ঐদি য়ানীংদে

লুইঃ ঐন হায়রিবদ মখোয়দ মহু নংন থরুব পীরগ নত্তে।
কৈশাবী অমবু হি মতোন থাংবদ পুরু
অতৈদ খোংগি ঈশিংহুন অহুম তাকচরনি।
অমরোমদ, য়ুন মকোক্ত চংখি,
ঈশিংগি তানথান থিং হেক পালহল্লি
তুরেলদোন ঈরাং পাম্ব অমত্ত লৈত্তে।
ভেনিস্তা থা অনী লৈরব তুংদ ঐ অমুক

পোখাত্তমদ কুনব তাখি।

য়ান: মহুন নংগি পাঞ্জন কয়া কাব তাখি ?

লুই: (চে পুথোক্লগ) কুন্তানীথোই। অহুগ নংন উরিবসিনি, ছুহশিনবশিং জুরা অম য়াওখি কথৎ্রব, অহুগ মপু- য়োইব অহুম পোৎলুমদৈ য়াংজুব। মহুদগি ঐ Persia দা চৎলুই, অহুগ থাশিফাগ নৈরুই তেহরান্দ, মহাক্কি চুপী ২০ লোয়ন্মি।

বেপ. ইতোদি য়াম্ন থোজাল হৈবীরুরবোইরে।

লুই: অসাইহু মশীং চপ মাম্নব মকম্বা থাখিত্রে, মখোয়হু পুন- শিল্লগ ঐগি পাজস ১২ য়োথি। ঐন Persia য়েংউ- বত্ত অয়ানবনি ঐ য়াই, ময়মদি মখোয় ময়ামহুগি ময়ক্ত মপুয়োইবদি অমত্তনিন, ঐগি থাংদি জ তৈজব ফংখিদে অহুন ঐ ওয়াং সেত্তিগদ হয়্রকখি।

অমস্তুং হয়েং লেত্তান নৈরগ লুহোংলনি দোৎ ইজাবেল্লা...

(কেটেলাইওন চংলক্ই)

য়ান: নং ঐগি ঠিহু পীরুরব্রা ?

কেটে: মাগি নর্জদ পীজরম্মে।

য়ান: ফরে।

লুই: হজিক ঐখোয় মহাক্কি হিসাব তাবগে।

কেটে: অহুদ ঐ হৎ্গোদ কয়িওব থয় তমগলব নৈ......

য়ান: (মাবু ইথোক্লগ) কোয়।

করে, ঐন কিরিখদি ঐহাক থুলো থাংন হোত্রে য়াম্ন

হুংশিনলুরক্লন, হুপী পুমনক নত্তব, তসগি হুপী অমত্তম।
অহুব অহানব খা অছমছ সেন্তিনসি নকোইবদ কক-
চাওমল লেনখি।

লুই: মফুন অম কারে।

রান: হুঁ, হায়ব য়াজ্রি। মওশিংদি মঙ্গীং থাম চাদে। জুন
থাদ ঐ পাঙল অম ফাওব কাজ্র, অছুপ ঐদি লেল
থানখিবছু পুমকাউ কাউকরবনি।

লুই: ঐগি লাইরক থীব নিপা.........

রান: ঐহাক মীয়া নেকদাগি লাইনিংশঙ অমদ পোথাকঃর।

কার্লো: দোন লুইন থোইগ্রে।

পাউ: দোন লুইগি মিংদ থকসে।

আন্তে: মহুদি নং ঐচোক পেসেটা লিশীং অম তোল্লে।

রান: শিংকুপ অমত্ত। হেন্ন কব ট্রেনীং অকে-অমোম থোই-
দাব অম লৈত্রে, হিংবদে হেনব লাইনীংর অমৈ পুল্লি।
পুকচেল কাবন মরোইরে খ্বাইদে কব মিহৌ হিদাক্তি।
করিমতন মী অমদ পীদে চাক লাম তোংশাগি শাগু,
পুকচেল কাবৈ মনা উবদে হেম।
চয়োল কয়া ঐ লাকরে দর্শন শাস্ত্র,
চর হেল্লুরে থাব তোকঃর সাধুশংগি পুন্সিদ
— থোইদোক্ন সেণ্ট এন্টোনী।

লুই: অহুম অয়াব মথাংহুক্তি খুদোংথীন মখোল থোকই
ধর্ম্মাগ লম্বীওম।

ব্রানঃ মানি, পাপীসু সাধুসু মায়ন চেল্লি, হেন্দোক্ক খোয়ব অমত্তা হায়ববু মখোয়গি পুকচেলদ লৈরে মখোয়ন তৌব অমাংবশুদি মায়ে। হুমিৎ কয়া ঐ হোৎনরে অশিবগি মরমদ ধ্যান তৌনব, অদুবু ওহাক্ত লেপ্তন য়েংখায়ব ঙংখি...... ...

লুইঃ করিনা ?

ব্রানঃ হিংবন। অদুগ ঐ. ঐগি থরাইশু থিরুরে, অদুবু খেং-নখিদে মদুগি ময়ি মচেৎ অমক'ও, থগুংলোনগি ব্রাই চিন্নবফাওব। মমৈদ ঐ হোৎনখি লাই শোনগে অমদি ঐগি ঈশ্বরবু থিগে হায়ন.........

লুইঃ খেংনখিব্রাও ?

ব্রানঃ উম, অদুদ ঐগি ঈশ্বরদো মুশীন মূৎ মশম হৌই, মচানবানশিংন মাগি চানবন, মথংথাকসু মাগি থবাকশু, অদুগ ঐগি লাইশোন পুম্ব ওইরম্মে মমব পামজখিব ওাক্ত।

লুইঃ অদুনাদ নং কৈদৌখি ?

ব্রানঃ মান ঐবু য়াবিথত্রবনিন. ঐনসু মাবু য়াকত্রে। ঐন মাগি মমিদ চৈরম্মি ইতুংদ হগ্ররকপগিদমক. ওকশমদ শিব মাগি শকতম মচাশু শেগায়রম্মি, অদুগ নোরোক্ত চৎকে লেপাখ থমুংদি শোন ; স্পেন থাদোয়গ লণ্ডন চৎলুই

আম্বেঃ মাহকৈগি আনদি লিংন।

হানঃ ঐ থা অম লৈরক্কই

কার্লোঃ কৈদোৱ লৈরক্কা ?

হানঃ শুক্লিং ইংন ইরুনব ঐন নিংশিংগদৰ মধৈ। ঐমু থোক- জাওদ লোটিশ অম থংলুই মমুদ ইরম্বদি ঃ
"দেন হান, মশক শে লবা. চংরন্দে. লল্লাই"
অদুবু ঐন থোনরকই ইংরেজী লুপীশিংদি মপুং কান লোল্লি মিংচং অমথক্তন....... ....

কেটেঃ মহাক ওধাক অরাব থাংখি।

লুইঃ মহুন মাগ পজ্জন্মা করা লৌখি ?

কেটেঃ কুনমাপল।

হানঃ অদুন ঐ চেলটেনহমদ চৎলে মতো ওদ্মগে লেপ্লহ্নন ঐাগ হনই কেটেলাংওনাল, অদুগ মস্তুম খওহন্নে ঐগি লুপী হন্জেহৱ অমনি। মদু শাবৌন লানব অম ওইখি। নয়মদ কৈশাবী খুদিংন হোৎনখি মহাকপুদি নজ্জে হায়হন্নব

কেটেঃ চেলটেনহাম. তরাদিথোই।

লুইঃ ১২ অক্টুং ২০, মদুদ ৪১।

হানঃ থোযদোশাওগালদ্ধন ঐ ওল্লঘোর্ডতা চৎলুই; লখোইব অম শারগ। অদুবু ঐগি ইবুকশেংবগি য়াচলদু হেন্দৎন মিহোনব ওইনখি অমদি ঐ মতমদুদ থোজাও অচোন- বন কনথোক্কবন্ত য়াথি।

বেপঃ অদুদি থোদোক নিংশিংহুন ইগদব অদুদি কমদৌলা ?

ৱান: অনুম অনুম শাংদোকহ। অহুকি মতিক ইরুমগ অহুকি মতিক ঐ হিংখি।

কেটৈ: Oxford কুনমরি।

লুই: অহুমদি ৬৫ গুরে।

অহুল হাংখিব মপুরোইবশিং অমদি লৌনশিন্নব ওইহনুবে মপুরোইবশিংদি ?

ৱান: অমত য়াওদে। নত্তু ভাইখো, নিপা। অম য়াওবি বাইরোন কৌব।

অহু নত্রবদি ঐ য়াম্ন শোখংহৌব ভারে

ঐখোয়ন থানথিব শেলগি নাকল অদোমদ।

অবাব হায়ববু কমলায়রুরগ

ইংরেজা অমাগ তুপাগ, মপুরোইবদো

কাপ্পমত উংলোই ভোবিমল থডব নত্তুন।

মখোয়ন হেক তিন্নানবদব ভায়ববু টুখত্ত্বনি।

লুই: অহবু হুজাক্ক নং, এন নাংহ, নমাং পাক্ক দোনা এনা কাউথোকপদ ?

ৱান: মাগি মমিংহ্ন পঙ্কগু।

লুই: নংন শাওবহুন ঐগ মাহংগি প্যাডখুম পীরে।

ৱান: করিগুম মতমদ ঐখোয় পাম্বদাগি হেন নীংবে কল্লি।

লুই: চথৌ. অহুক হাক্ক ফুকথনু, থকউ।

পাউ: রারী মথাহ্ন ঐখোয়বু তাহনবিয়ু।

ৱান: করে, শাওন থাদোক্নব মতুংদ ঐ লোরিস্ত চংলুই, অহুগ

য়াওরুই অগোই কাংলুপ অমদ। মচুম কয়রক্কী অগোই শারী ১৫ রাওরম্মী, অতুপ নিপাস্থ মমীং চন্দ য়াইরে।

বেপঃ মচুদ অদোম য়াওরুবদগি রা-লান থরকি লোইদন খোয়রম্মি।

বানঃ করিমত থোক্কে। পি-পাশিংসু মপুং কান ওকৈ নরাই লয়াইন, মচুন কলাশিংগি থ্বাইদৈ কত্থ.........

লুইঃ অচুনদি অদোমদি কৈদোরুব?

বানঃ মতম থর অগোগ মথল অম শারুই। কাবিওব কাব য়ায় লাই, মিহোইমকপদে নাস্তোকপ, লুমিবদি অনাম মতমদ মখোয়সু থিরুবান।

লুইঃ থেংনখিত্রাও?

বানঃ লৈরম্মি মার্গেরাইট দি কনুঁলী.........

আভেঃ ছ্যাক দি রোগমন্টকি মচাম্পী নত্রাও?

বানঃ লৈখিত্রব ছ্যাক দি রোগমন্টকি মজাইবেম্ম......

লুইঃ মান ময়ুম পানাখবদি কোমটি দি ত্রিগনোলদ?

বানঃ কোমটি দি ত্রিগনোলদ লুহোংলুবনি।

লুইঃ অদোম মপুরোইববুম মপাবুংবুম হাংলুখ?

বানঃ মাগি মবুং অমসু লৈরম্মি......

লুইঃ ৬৫ গ অমগ ৬৬ অমসুং ৪ শিরব।

মচুন লোইরত্রা?

বানঃ ঐন নিংশিংব ওখমথেনি।

কেটেঃ ইগোন আমেরিকা য়ংরিকবদু কাউবিরত্র।

বানঃ মাশি, কেটলাইওন, ঐখোয়ন আমেরিকা রেলউবদু

কাউমসি।

কেটেঃ ক্রসেলসত ইত্তোন চেনবিক্লগি হাহ্দি?
মহুনসু পাঙ্গলছ ২২ শুনি।

রানঃ উম, ঐখোয় ক্রসেলসত ম্বাঙাইত্রব হুবাংপ অম থোংনখি।
ঐন শগোল তোংব ভগিখি রাজকুমারী দি লাসেদ।

লুইঃ মখা তারসু......

রানঃ রাজকুমারদুন লাওথোকখি ঐবু মান নোংমৈন কাপকনি
হায়দুন। অদুন কেটেলাইগী মাংজোনন তায়রশ্মি ঐগি
মোংভমগি থোরাং অদুগ সহরদ চংখি হরাক অচৌব
অম থিং ঙাপ কপ্লদুন "দোন রান তুরে শিরদুন......"
ঐ নিংথৌগুম হিপ্লশ্মি লা ইগ্নি দি সান্ত থেরেসাদ
সহর শুদ্ধমক কপখি, ঐগি কুহ্ সৈন কিম্লেংনখি।
রাখিবাশিংদুন মুপী চাঙনি, Q দ পরেং লেং
চুমজিংনা পোণ্ট দি লিওপোল্ড য়োন।
কেটেলাইগী অমমমু মিংকুপ অমমম পীখি
চীঙ্গ অরাব ফোংফোক্সব ঐগি ইনাক্ত,
মথোয়দন লাই শোল্লিট্তে, ঐ চহাক হিংগংখি... ..
ওথোয় চাকথক্লে শিরবনি হিপ্লদু......
মুমং রাগ মতুংদ ঐবু লোয় চুহনব তাখি
কু অমদ হাপকংলগ।

লুইঃ করিন নংবু Spain দ হল্লাহন্খি?

রানঃ চুলিকসু মাশি মাইথোংদুন ইতুংদ হল্লরি। নহাক্কুম

লোন লুই, ঐ লুহোংগে আশা তৌরি......

লুইঃ ঐখোয়গি হায়রিশিংসি হায়রে, অমাম্রিদগি থনকয় লৈরকোই।

হানঃ শেন থানবহু ঐন থোইস্রে হায়ব নত্তন।

লুইঃ নংন পীব মশীংশিংহু থাজব হাদে। ঐ ঐগি মাইথীব থাংবহুন হেন্না লাইন থোকই, নংম মতিক চাদ্দন নত্তাই পাকখিবহু হাবদগি।

হানঃ খোগোংপ য়াওস্রে নিংথৌগি মজাইবেশ্যদগি মীথুংশং শংবগি মচাম্রপী কাওব। করিগুম্বা চিথব থেংনয়া?

লুইঃ উম, মি' অম চিথহোরে।

হানঃ কনাগি?

লুইঃ ৬পীমচা অম লাইনিং লম্বী চৎনব অমোইব হাপক লোগদোয়বী।

হানঃ কনানো?

লুইঃ মমিংহুন করি খেন্নহনব লৈবগে?

হানঃ নত্তে, মহাক ওইনিংব ওইরমসনু, ঐ মাবু লোগে।

লুইঃ ঐ মন্থু চিংনৈ।

হানঃ ঐ মন্থুদগি হেনব ওম্রি,

ঐহাক অমুক্ত লুহোংখ্রদোবী লৈশাবী অমবু মবুকচেল মাংহনব ওমগনি।

লুইঃ মহাক য়ু চাওরবহানে।

হানঃ মন্থুদ শেন থানরি। ঐহাক পুল্লিগি থাব ওম্রি

লুই: ফরে চানরে। নং কয়া কুইন চংনি ?

য়ান: লুংথিলদ লুংশিনন মথোয়বু থেম্ব, লুংদাংদ মথোয়বু মবুক-চেল ওলহনব, অদুগ অয়ুক্ত মথোয়বু কাউথোকপ।

লুই: নহাক য়াম্ম থাজন হায়রি। কনানো বরদো নংন ওই-রম্মি নীংইবা ?

য়ান: নহাক। নৈশাবীস্তুন দোনা ইজাবেল্লা॥ নহাক ঐগোন্দ নংগি লুহোংবগি বার্ত্তোন তৌরকপ য়াই, ঐন নঙোন্দ চুপীন্থু পীথোক্লব।

লু: নংন হায়রিবন্থু করিনো হায়ব নং খঙদে।

য়ান: নহাক থানব কিরব্রা ?

লুই: নত্তে, থানবন্থু ঐ য়ারবনে। কার্লোজ.........
(লোম্ব কার্লোজদ রা থর হায়)

কার্লো: অইওবমক্কি......... (চংল্লে)

য়ান: অন্থুদি য়ানরেনে ?

লুই: উম।

নি: আভেল্লেনেদা.........
(আন্তেদ লোম্ব রা থর)

আন্তে: ফরব রাখলনি ..... (চংখি)
(অহুমশুব মাইথুম হাপ্ন নিপাম্থ মাংলোমদ লাকই)

য়ান: অদোম্থু কনা ওইরবনো ?
(মাইথুম হাংদোকপদ) দোন গোঞ্জালো......

গোঞ্জা: মানি, দোন য়ান। অমুক থল্লুরম্থু দোনা এনাপি মরমদ।

ঐ ম্বাত্রে ঐগি ইচামুপী নজোন্দ থাজব,
মরমদি নংগি মিংচংদ, মহুবু ঐ হুজিক
ভাত্রে নংগি নচিনবাম্বগি নংন জৌনিংবৈ ম্বা।
মাবু নঙোন্দ পীব উত্রিবৈগি মমাংদ.
ঐন ত্তোরুবনি মাগি মোংত্তমহু ইথুংশিংসিমক্ক।

ম্বান: অহুবু মহাক্কি ঐন কাউব গুমখিত্রিবসি,
কাউবম্ম গুম্ম রাই।

গোন: অহুবু মহাক্কি নংবু কাউত্রে।

ম্বান: ঐ মহু থাজদে মাবু কনায়দ নৈবগে ?

গোন: নহাক্ক কমদোন হিংলিব হায়বহু ভাবদ'গ মহাক সেক্ত
ফ্র'ঙ্কসকি লাইনিংকমদ চংত্রে।

ম্বান: ম্বাশক জৌত্রিবী ওইন ?

গোন: হয়েংনি মহাক্ক ম্বাংক জৌগদব।

ম্বান: (লুইদ) নং মহু থঙলম্মি ?

কেটে: মহুনি ঐন হায়গে তোরগস্থ।

লুই: নহাক শেল থানখিন্দহু হংন্দাকনিংলব্রা ?

ম্বান: নত্তে, ঐ মহুদ পুন্সি থাজবনি। দোনা এনা অমম্মুং
দোনা ইজাবেম্মা।

গোজা: দোন ম্বান, ঐ নংবু ঈশ্বরগি বিচারদ থাদোক্কে।

(চংখি)

ম্বান: মহুন ঐতেন্দ থৌরী শাংন থাখিরে।

লুই: অহুদি ম্নানরেনে ? দোনা এনা নত্রগ নংগি পুন্সি।

হ্বান: হ্বানরে চৎসি।
(চৎকে তোবদ, কার্লোজ অমদি খুংলাই পায়ব গার্দ-১ লাকই)

গার্দ: নহাক দোন হ্বান টেনোরিয়োরা?

হ্বান: মানি।

গার্দ: ঐ নংবু ফাব তায়। নহাক ঐগি বন্দীনি।

হ্বান: করিগি?

লুই: (নোক্লগ) ইমানী শেন য়ায় থানখি দোন হ্বান। মরমছুন ঐন কার্লোজদ হায়খিবনি নহাক সিদ লৈ হায়-ছুন পুলিশত তাকউনব। অহোকপান, নহাক ঐগি লুহোংবদ য়াওরব ওস্মোইদোয়। য়ারো হন্দক্তি ঐন থোইরে হায়ব।

হ্বান: খঙনরগদব লৈ।
(দোন হ্বানবু S. R. দা পুখগে তোব মতমদ অাতে অমদি অতোপ্প গার্দ অমন S. R. দা লাকই)

২য় গার্দ: নহাক দোন লুই মৈয়ারা?

লুই: ঐনি।

২ য়: ঐ নংবু ফাব তায়।

লুই: করম নোরোক্তদবক?

হ্বান: (নোক্লগ) ঐন হায়খি আতেজেনেদাদ নংবুসু থাদক্নব, মরমদি নহাক ঐগি লম্বীদ ওংতনব।

লুই: ওক নংনা?

হ্বানঃ থানখিবদু অহুম লৈ !

(অমীমকপু পুথোকখি)

কার্লোঃ ছুরিকস্তু ঐ দোন লুইস শেল থানি।

আভেঃ ঐদি দোন হ্বান টেনোরিওদ !

(মথোয়ন ইরখি)

Curtain



Act One

Scene Two

দোম্বা ইজবেল্লাগি য়ুম মপান্দ। মথংগি অহিং। লাকই কেটেলাইওন পীটর অম প য়রগ, মতু' হন্ন চৎতুন, Stage গি মাংমদ কনাগুম অমদ য়ায়ী তৌহুন। মহাক Gypsy মায় মপক লোৎলি।

কেটেঃ নত্তে, নত্তে, সেনোর, মহুনদি করি ত য়াররোই, মমিৎতাংব অমনম্ম উব ফংগ্রন নংগি অরোন ফিজোন্দু। ঐ থনবদ থোক্কে. ক'দোন ঐংখায়ুন লাম্বোকখিব নহাকপু পাদ্রিশংদাগ অদুম।
মদুদগি হেন্ন লিংথিন তৌব ভংগ্রবদি, ফাথনি নংবু শোইদন অমুক. ম'মবাগন হেক ওাংম্বাকপন
(দোন য়ান লাকই চাকনাব মায় কাবক্ত শোৎতুন)
নখোভহু থাংগম্মু তাইবংপালাগি নপু নংন ওইরবত্তম, শেকউ, নমিৎতু থম্মু খোংবা- নালাদ।
চাকনাব মায় উহনবদন কাম্নপোৎ নত্তে, নহাকি নপুকচেলন্তম্ম ওনবতাবনি। লুংতাইতব উৎলু অমদি নিংশিংউ: লাইরব চায়রথসি নত্তে করিমত নৈতব, পাথদনি হেন্ন নংগি নৈজবদাগি। অহুন কয়োকয়ায় উহন্নু, নবুক য়াংউ। চৈহুদশো

— মহুদন নংগি মরূপ ওইরকপগুম...... মহুন করে...
য়েংউ. চেকশিন্নু, কনানো অম লাক্লে। থোংবান্দ
অমুক হন্নিনগ্রো .. .. .
(লুপীমচা অম চংপ কান্দ কেটৈপাইওন গীটারহু থোংব
হৌই)
চানবির ওইন চাং য়েংউ অমদি মাস মিংশিংউ :
লাইরবগ'দি লুপী অম কায়রন্থু নত্তে পেলহনব অম নত্তব।
মত্তোন্দ য়াওদে নংব পাম্ব পোং অমত্ত,
করিগুম্ব য়াওব থোগ্রবস্থ মান মহু নত্তোন্দ
থক পীরোই অরেম্বদ।
নমিংতু কুপ্পগম্ব, নখুংতুন শম্মু ফুরিংথাওদ.........
সিদ, হুজিক অমুক ত্তোহন য়েংউ......
(দোন লুই লাকই)
মসিন দোন লুই মশামক নত্রবদি ঐন
মহাক অচৌ অশাং শাহুন থোকথিরম্মি।
হান: লাইথক ফদিয়ু সেনার, পীনৌ পেসেতা অমত্তং লাইরবদ।
লুই: লাইরব? মুমিংসবু নত্রাও নংগিম্ব ঐগিম্ব?
থান ত্তাত্রাও ঐথোয় পুম্বদ মাম্নন?
কেটৈ: অনীমক কুইন থাংলোই।
লুই: ঐথোয়বু মিংযেংস্থ তিন্নত্রাও?
মুংশিংস্থ মুংশা হোনমীম্মত্রাও? নথোম্বস্থ ঐদোন ননীং
নথ, তম্ব নত্রাও?

ৱানঃ চপ......

লুইঃ চপ করি ?

কেটেঃ চপ মাইরে সেনোর।

লুইঃ সে, পেসেত্তা অম লৈয়ে, লাই নীংবিয়ু।
মরমদি হয়েং ঐ লুহোংলনি
সৌঙ্জনদ খ্বাইদগি করম্বা লৈশাবীপ।

ৱানঃ মাগু ঐখোয়গী হেন্নদত্রা ?

লুইঃ করি লাইমুনো নংগি অর্থদো ?

কেটেঃ মান হায়জনীংবদি নংগি থৌজাজন ঐখোয়বু,
নহাকি লুংতাইবদ শরুক য়াহল্লে হায়বনি সেনোর।

লুইঃ চুশ্নি। অতোপ্পা পেসেত্তা অম নংগি পীনি,
করিগুম্বা লাইমুন্ন উরবদি য়ুমসিগি মপাল লুমহন লৈরব।

ৱানঃ লাইমুদো !

লুইঃ দোন ৱানবুনি।
নহুন খ্বাইদগি কন্নব ল্পেনগি কৈতমশংনি।
নখোয় কৈদোংদা তশেংনা থত্তোই নখোয়গি মরুপ
কনায়দ লৈ হারব।
(মহাক লৈথোক্লগ নুং মচা অম মিহুংবকি কিদ লংথংলি
বেলকোনীদ)
ইজাবেম্মা. ইজাবেম্মা !
(বেলকোনীদ শক উথলে)

ইজাঃ লুই, অহুম করি তৌরিবা ?

ঐগি মিহুংথোংদ ঈশৈ শকপ লাকইরাও
ইকোন কোনব ওইন ?

লুই: নত্তে, মহুমক্তি চপ চাদ্রে।

ইজা: কয়া মুংঙাইরব হানো।
নিপান অসুম অসুম খেমচুনদ লৈরব
মথোয়ন ফংং খঙলবমক্তদ, মুপীশিংন
য়ানীংনি অহু ওইরবদি মাংলদি হায়ব হা তনখন্না।

লুই: ইজাবেমা, নহাক ঐবু চংহনব তাম।

ইজা: করি, ঙসি অহিংবো ?

লুই: মানি, হুজিক।

ইজা: তোল্লিদা লুই,
হয়েং কাওব তাইব ওমজবাও ?

লুই: উম।

ইজা: নং করিগি তগো ?
কয়াদি মুংঙাইরবনো.........

লুই: নহাক তাব তাদ্রে। ঐ নংবু তাকপ লাকপনি।

ইজা: করি হায়রিবা ?

লুই: নংগি ইজ্জং তাকুব।

ইজা: ওহ লুই, করিগিনো অতুক মযেক থোকুব হা......... ?

লুই. নংগি ইজ্জংন ঐগি থম্মাইনি।

ইজা: ফরে ইবুংগো, নংন করম তাক্তোরিবনো
নহাক নথম্মন হুম্মারিংবহুবো ?

লুই: অতোপ্পা অমা লৈরি—

ইজা: করাদ খুংঙাইরবনো। করানো ?

লুই: নিপা অম।

ইজা: কনাগুম নিপা অম হেক্ত ?

লুই: নত্তে, খাইদগি খুদোংথীবরা ওইরম নিপা
লেপ্পন পুরমক—

ইজা: ওহ, লুই, ঐবু ওংলম্মু। মহ কনানো ?

লুই: দোন রান ! মহাক য়াশকপ্রে নংবু নপুকচেল ওনহন্নি
হায়হুন ওসি অহিংসিমক হন্নেং লুহোংগদোব ওসি
অহিংসদ।

ইজা: করাদ কিরব রানো ?
অদুদি মহাক থবক্তু ফক থেংনবকাওক পারথত্রিবা ?

লুই: অদুন ঐবু চংহল্লু। ঐ নহাকপু ওাকে......

ইজা: নংন হায়রিবহ ঐবু পুকচেল য়াংই হায়রিবা
নত্রগ মহাক্তু ওাকথোক্লব ওমদবা ?

লুই: নং দোন রানবু মশক খঙদে।

ইজা: নংদি ইজাবেল্লাবু খঙত্রা ?

লুই: ঐ নংবু খাজে। অদুবু নথরাইন য়ানিংত্রবহ মান ওরব
হেক্ত.........

ইজা: নংন হায়রিববু মপালনন হেক্ত......

লুই: হোয়নে।

ইজা: করাদ খুংঙাইরব রানোনে !

লুইঃ অদুন ননাই নিপান্দুদ হায়ব তায় ঐবু চংহন্নব।

ইজাঃ হোয়, ঐ য়েংগে। অদুবু লুই, থর থীয় অমুক লাকথো মন্নব মতমদ। চেক ওস্লোক্তুন লাকউ মদুদি য়ুম-লোন্নবশিংন নংবু খঙদনব, মিংদা থিহন্দনব। নোংয়াইদ লাকউ। এন্টোনিওদ নহাক লাকনি হায়রম্মো.........অদুগ লুই, নং য়াপকপ তায় ঐবু হরাউহন্নি হায়দুন অহিং থদিংগি অংশু ফজব য়ারী মচান।

(মথাগি থোক্তদ লুইন থীনবদ এন্টোনিও থোরকই)

লুইঃ এন্টোনিও, ঐ থগি নোংয়াইদ অমুক হন্নকে হায়দুন, নবেম্মবু কন্নব।

এন্টোঃ য়ায় ফনি, সেনোর।

লুইঃ অতৈ কনামতবু চংহনগনু। ভাব তারব্রা ? অদুগ ঐঙোন্দ তাকউকো সুন্নাইদ দোন বান উন্নবদি।

কেটেঃ ফনি, সেনোর।

লুইঃ মহাক নঙোন্দ ঐবু চংহন্নব পাউতাক পীগনি। অদুগ ঐদি ফিজোল ওস্লোক্লগ লাকনি, অঙাং ব ফুরিং অচোনব অদুগ অঙোব থদাং কোংগ, মদুদি মীন মিংচৎ অথীব শন্দোক্তনরনি।

এন্টোঃ ফনি, সেনোর।

লুইঃ অতোপ্প অতৈ কনাবুস্ন চংহনগনু। ভাব তারব্রা? অদুগ ঐঙোন্দ থঙহল্লু নংন ফরিঙব অংকোইব নুন্নাইদ দোন বান উন্নবদি।

কেচৈ } এন্টৌ } ঝনি, সেনোর।

(চৎথ্রে এন্টোনিও অমসুং দোন লুই। ইজাবেল্লা বেল-কোন্নীগি মিহুৎতু থিং'জল্লব লাক্লি।)

রান: লেংগনু ওাইখো।

ইজা: কনানো অতুবো ? কৈদৌঙৈদ'গনো চাকনীবন য়াথং পীনখিববো ?

(শেল মরেক অম থাদখি)

তো, চৎথ্রো চৎলু হায়, করিগিনো মহু খুদং থ্রিবা ?

রান: লংথরকউ নংগি মুক্তাশিংসু, ঐ য়েংলোই রখোয়দুন তারকপ। ঐন নঙোন্দ নিজবদি লেংবিদবদনি। লৈরিব মকম অতুদ অতুম লৈবিয়ু।

ইজা: করিগিনো ?

রান: দানগিদমক। নহা'ক্লিতুম্ব মফমদি অর্থ থোকহল্লি ঐগি মিৎয়েংদ। মতুন নংন লোথোকখিদোব নত্তে। মহু অশিংগি মরলনি।

ইজা: ঐ চৎপ তায়, থেংলবনে হুজিক।

(দোন রান মশক লোৎপহু হন্দোকই)

রান: পুংশিংসি ঐগি পুংভম্নি।

ইজা: দোন রান। (লেপ্পি)

রান: মিৎকুপ অহুদ চময়রবনি ঐখোয়গি থরাইশিংসি, অঙ্গ্রগি উরীওম অমগ অমগ য়েৎশিল্লখ্রবনি.........

ইজা: ঐন হায়জরি লেংবিল্লনব। হয়েংদি ঐ লোন লুইগ লুহোংগদবনি।

বান: অছুগ অনী লোনবগী পাপ লংজব।

ইজা: করম্না ?

বান: ঐখোয়গি মিংশিংদু লুহোংখ্রবনি।

ইজা: অদুদি ঐ মিংশিংাস উইশিল্লগে।

বান: উইশিনবিয়ু কিজদে। মরমদি লুংশিনরবশিংদুন মমিং উইশিল্লগ অতৈবু উদে মখোয় মশেলদমক উনৈ। লুংশিব হায়বদু মমিং ভাংদে। লুংশিবগিদি মমিংকি কারব লৈতে।

(লুপীদু মমিং উইশিনখি)

ঐন হায়জখিবদু চুমদ্রাও ?

ইজা: উম.........চুশ্মি।

বান: অদুদি পাংথোকপিরো।

ইজা: হৌজিক পাংথোকদব কিজরে।

বান: করিগি ?

ইজা: অদোম লৈরমদব থোক্লবদি হায়দুন।

(মমিং পাংলগ) নহাকপু তম্মাই অমরা ?

বান: ঐবু ভাম্মোক্লব হোংনৌ,

তম্মোই নংন ওইরিব নমিতুবুম্ন কাজিনব।

মতম হেক লৈরিবমখৈ ঐখোয়নি

লোইনন চংলনি নীংনরিবশিবু চিংলদুন

ঐখোয়গি মতশিংগি শওলেন কয়াদ।

ইজা: তুমিন্না লৈরিবসি মরেল থোকমল্লবনি,
হায়রিবনি নঙোন্দ ইবৈন হায়ঙমদব থৌনা য়াংপ।
হায়রু করিগুম্ব থর, ক'রগুম্ব ঐন নিংশিংব ঙমগদব
ঐন হয়রব কান্দ, কনানম্ব পাম্বিজবদ
অতৈ য়াওদন নিংশিংবদুদন ঐবু লুমহন্নব।

রান: মখোয়ন হংলবদি কদায়দ দোন রান
কঙব থেংনখি. হায়রু 'মহু মান থেংনখি
ঐগি চৌখানশিংদ, শমদ, চান্দ অমদি মিৎত।'
মহুদগি মখোয়দ যো'মোন নোকউ মচাংশি'হু রা
ঙাংদনব।

ইজা: নংন ওইদব ঙাংবন হেন্ন ত'জনিংই
নিপা অমন অচুম্ব ঙাংবদগি।
ময়মদি মুপী অমগিদি মতলাগ্ন পুম্নমক্কি।
মিন্নুংশিগি ওইন, লে'ও হুজিক দোন লুইন হল্লক্লিতৈ,
অহুবু কাউবিন্নু ঐবু, থম্ময় পুক্লুংদ ঐবু।

কেটৈ: (মথন্দ) মহুদি ইকাইগনবি চুপীমচা অমগি কমকমদি নঙেকো।

রান: কয়ম্ন পোংকি মমিন পোং মাবু থাদোক্লগ চংখিদগে?

ইজা: অহুদি ঐন অদোম্বু থমজরম্ব ঙারে।

রান: নহাক ওস্মোই।
নংন নকি হোংব মতমদম্বু, ঐন ওইনি

মোমবটি থাংমৈ, মহুন নংবু হানে উনি।

ইজাঃ নংনা মোমবটি ওইরবদি, ঐন নংবু মুথংকনি।

রানঃ মুথংলবদি নংন ঐবু, ঐন ওইথিনি অমম্বগী নংগী হাকচাংনবিব মাইকৈ মখোদ।

ইজাঃ নংম অমম্ব ওইত্রবদি, মঙোন্দাগী লোংখিনি ঐ, তুমথহুন।

রানঃ কৈ তুমজখো, মরমদি নং চেন্নকনি তুম্নব কান্দ ঐঙোন্দ। অহুনা নংবু, য়াম্ন মেংন মিংথুম্ন চোকথরব নমিংতুদ কুপ্সগুম কুম্লিনি ঐন।

ইজাঃ পাম্বে অতৈ লৈত্রবাও মিংকুপ অসিদগী ঐখোয়বু মিংকপ খোকহন্নব?

রানঃ অমত্তং লৈ।

ইজাঃ মহুদি করি?

রানঃ অমগ অমগগী মওদান্দ! অহুন চংলো, নংগি তুম্বহু ঐঙোন্দ পীরোদ ঐ নাজরোই মহুদৈ হেনব।

ইজাঃ (শাওনিংন) অতৈ লৈত্রবা? (মপান্দোম তিংখোক্লগা) অহুদি লাও, সিদ লৈরে নংঙোন্দ পীগদব তিক্কা।

(মঙোন্দ রাম চংশিল্লুবদ, ইজান করিগুম অম-খাদরকই চাকনীব অমন মসিদৈ ভান কংভম থোক্কে।

(মিহুৎ গোনশল্লগ মন্নুংদ চংখি)

কেটেঃ (মহু খুন্দংলগ) খুংলাইনি মসিদি মসি মাগি শোনি।

রানঃ (মহু লাক্লগ) খুরো; পীয়ো ঐগি খদাং কোই, অমদি নংগি কুরিৎ অচোনবহু

(মান লিংলগ হাপ্লগ মীনাইগি থোঙদ থিল্লুই)

কেটেঃ শো পান্নরবদ করিগি থিল্লু্রিবা ?

(এন্টোনিও থোরকই)

রানঃ এন্টোনিও. নহাকপু দোন রান উত্রা ?

এন্টোঃ হুজিককাওবদি উত্রি দোন লুই।

রানঃ কৈ, খর চেকশিন্নদি শেম্লোকো, চিংনব য়াব থোক অম লৈরে, অশ্নবাইদ লেপ্পুন ঐন নাংবাদি মহাক দোন রানগি মনাইনি।

(মহাক চংখি)

এন্টোঃ (মতুং হন্নৈ, থোঙ লোল্লগ)

করিমত লাংতক্লবিন্নু সেনোর, দোন রাম ঐবু লাহোক্নুন চংব গুম্মোই।

(দোন রান্দু ইজাবেল্লান লুন তোহুন (Say) শমজেৎ হাৎপিহুন বেলকোনাগি মিহুংথোংদ লৌথব উই)

কেটেঃ রা অমদি, ঐহাক ভজব দবল ফই অহিদ থবক রাওবগি। মহু মুংডাইব থবাক্ত ওইদোবনি ....

[দোন লুই ফ ওরকই দোন রানগ মান্নন কিজোন অরোংপ শেৎতুন, থোঙদ থাল্লি, এন্টোনিও থোরকই অক্লগ থোঙহু থিংই]

লুই: অপংব, লম্বী থাদোকউ, ঐ চংখিগে।

এণ্টো: নংবু কনানো?

লুই: ঐবু কনানো? দোন লুইনিদন! নংবু নিংশিংত্রবাও?

এণ্টো: নং দোন লুই ওইরেকো, মাল্লা নংবো?

ঐ নঙোন্দ খঙহনগে: দোন লুইদি অসাইন সিদ লৈরে।

নং শোইদন দোন ৱান ওইরম্মি।

লুই: দোন লুইবু সিদ, য়ুম মনুংদ?

এণ্টো: উম, ঐখোয়গি ইবেম্মবু নংওহ মশাদ নানব মরমচংত্তি

মোংপশিংদগি কন্নবা।

লুই: ঐগি লম্বী থাদোকউ.........

(মখোয়না ইরৈ থংনৈ। লুইন ইমুংদ নমত্তুন চংখি।

এণ্টোনিন বেলকোনী মখাদ চেনখি।)

এণ্টো: দোন লুই! দোন লুই!

(দোন ৱান মশক উংলৈ)

ৱান: কনিনোনে বুত, কৈদোরে?

এণ্টো: দোন ৱান তুজিক্ল চংখ্রে।

ৱান: অত্তুদি খোঙত্থ শো লোল্লিল্লু। উচীত্থ মহাক্ থুজনব লাং

থাক্লম্মবনি।

(শো লংথরকই ৱান, এণ্টোনিওন খুল্লগ মাগি খোঙত্থ

শো লোনখি।)

থীল্লস্থ কেটৈলাইওন...........কৈরাক্কো।

[কেটৈলাইওন্ন কৈরাক অম বেলকোনীদ থারৈ। ইজাবেল্লা

পূহূন ব্লান থোরকপা উই. মিহুৎথোং থিংজিন্নপি। দোন লুইন থূদক্তুদ মিহুৎতুদ থৌলি। ব্লান ইজাবেল্লা কৈরাক্ত কুমথখি।]

লুই: ঐ থোরকে, ঐ থোরকে।
লুংশিন থঙোঙ্গা মুপীগি ইজঙ্……।

ইজ: ওহ লুই. ময়েক থোক্তব ব্লাহ ভাংবু……

ব্লান: কেটেলাইওন, ঈশৈ অইংব শক্তুন মাবু ইংহল্লু……
[দোন ব্লান বেঞ্চ অমদ ইজাবেল্লাবু পুখি। কেটন কৈরাক কারগ লুইদ ঈশৈ ভাহল্লুই]

কেটে: (শকই) ও, কৈহৌ চেনবী কৈম
চংহনবিয় ঐবু………

লুই: ঐবু মপান্দ থোকহল্লো', ঐ থোরকে।

কেটে: ওহ, শাখি ইবুংঙো মুংশিব
মনাও চংজরক্লনি থংলেন মাঙ্গ—

লুই: ঐ মপান্দ থোরকে, ঐ মপান্দ থোরকে।

কেটে: (মরেংবান্দ) থাকে, অমুক উনরগদব কৈ ঐথোর………

লুই: ব্লান, মিশিগিদমক নং নথল্লাই মাংনি।

ব্লান: মঙনদি ঐঙোন্দ থৌর শাংন পীরি

ইজা: জেংবাংও!

ব্লান: ঐন ওখমথৈ হোৎনরি।

ইজা: ওহ, লাইরৈপাক!

Curtain

Act Two
Scene One

মথংগি ছুমিৎ, লোনা এনাগি কামচা লাইনীংবী শঙ্জাদ।
মহাক লাইরিক পারি, লাইনীংহনবী (Abbess or Lady Superior) চংলকপদ।

লোনা এনাঃ (হোৎগংলগ) ইকাইখুম্নবী ইমা.........

লাইনীংহনবীঃ নং ঐন চংলকপ তাখত্রা ? .

এনাঃ তাজখিদে ইমা।

লাইনীংঃ অছুক পুক্রি' লুপ্পদি পঙন উদে; ঐন মসি উবদ,
চিংনৈ, মহুদি নীংব ক'য়বন তৌহনব শুইরিনি হায়রন।
নংন পারিবহু করিনো?

এনাঃ ক্লেস্ত কেরোমিগি পুন্সি।

লাইনীংঃ উম... .....মহাক র শ কথি শৈরেং পারোই হায়দুন,
ইকুই কুইত্রিব ঐথোয় হাক্তকি মীশক্তি............
ঐন নঙোন্দ হায়গদব অরুব রা অম নৈ.
চুপীমচা, নখোয় পাবু', দোন গোঙ্গোলোন
শুরাং ঐগ উন্নরনি হায়খি।
মহাক মশামক্ত নঙোন্দ করিমত্ত হায়ত্রা ?

এনাঃ করিমত্ত হায়দে.........

লাই: থওঙে, মহাক্ল ঐতোন্দ পূনশিন শিন্নরবনি।
মথোয় অচুম তোগন্নি। নিপাশিংন কিনৈ
মচাগুপীশিংবু, মথোয়ন থঙুংলোন কিবগুম......
হচাগুপী, নথোয় পাবুংন নংবু ঙসি
অয়োইব বাশক্কু লৌহন্নিংই।
(লেম)
ঐন হায়রিবসি তারিব্র। ? মং তাব তারিব্রা ?
অয়াম্ব লাইনাং হৌগংলকপীন বাশক লৌরমদাইদ
হেক হেক লৌংথায়গন্নি। মত্তু ইকাইখৌব মথল অমনি,
হুপী পূম্নমক্ক উৎনব, মথোয়ন খুষ্টাগ নত্রগ নিপাশিংগি
কন্যা ওইরব মতমদ।

এনা: ঐ তশেংন থঙজরে। শেম শাহুন লৈজরবনি।

লাই: ঐখোয় কনাস্ন শেমশাহুন লৈতে।
ঐখোয থরন অতৈদাগ হেন্র য়ানা'ন
তাইবংপান থাদোকই। কনামত শেমশাহুন লৈতে।
তাইবংপান্ন খীন শোকহল্লবশিংদো, মখোয়দি
থাদোক্লমদাইদ য়াম্ন লুন থোকপ থেংনৈ।

এনা: অদুবু ঐঙোন্দদি মসি হাইশংবান।

লাই: মতু শিল্লম অমগ চপ মান্নদে।
ঐ থঙতি নংন কয়া নপাবুংবু নাংজব,
ঐ থঙাক নংন পান্নি মাবু পেলহনব।

অতক ফিবমসিদা নং ঙা অমতন চায়ব [illegible]।

এনা: মসি ঐগি য়ারেপ্পি, পাবুংগি নত্তে।
মাবু য়াইহনখিবন্নু ঐননি।
ঐগি পুক্নিংসি লেপচরবনি।

লাই: নংন হায়রিবহু নংগি খম্মোয়ম্বু.........
ইচাকপী, অয়াম্বনি, নংবু লৌশিনবদ ঐ
মুংঙাইরবস্নু, আশাদি তৌখি মহুদি
নংবু সিদ থুপহল্লারিব গুংঙাংতবহু মতমগি মতুংইন্না
মাংখিনি, অদুগ মতমগি মতুংইন্না নহাক
তাইবংপানদ হনখিনি অমসুং

এনা: লুহোংলুনি নত্রা?

লাই: মানি, নংন হুংশঙ্কব নিপাতুমক নত্রবস্নু
ওইব য়াই কনাগুম্ব নংবু হুংশিব নিপা অমগ।

এনা: মহু ঐংতোম্দ ওইরোই।

লাই: করিমতন নংবু থাম্ব য়াররোইদ্রা?

এনা: য়ারোই, ঐহাক মসি নীংজরকপ কুইরে, শিব নাব কিদন।

লাই: শিব নাব কিদবহুনি ঐবু লাংতক্রুহল্লিব
নংন হঙ্ডহিংদুনি, খ্বাংলি অসি অহমলক য়েংপনি;
অদুগ কিশি অমত্তন কিবনি............
লাইরবগি য়াশক............ নং নোক্কই?
উম, অচৌব ইমুংদগি লাকপনিন মহু লায়নি
— নং খঙলকনি মহাও করিমত লৈতবগি মকেথোক
— মথংদ. হায়ব ইনবগি য়াশক। মহুম্নু লায়নি

— অচৌব লাম্মীগি মচানিন, মঙোন্দগি ঐঙোন্দ হায়ব ইনবত্তু থংকোলয়ুগ লোইরে। অহুদগি সতী ওই-বগি খ্বাংলিগ লৈরি॥

এনা: মহুন খ্বাইদগি লায়নি।

লাই: অওইব্রাও ?

ঐখোয়না পাপ লংজবসি নীংজক্রবদৈনি।

লাইনীংবীশিংনা মবুক য়াংব য়াই, হাথলদ, ওক্রবীশিংনা হেন্না মবুক শেংব য়াই মখোয়না মশা মশাবু পী'থ'কপ মতমদ অপাম্বদৈ নত্তুনা মিংহুংশি থঙবদৈ। ন' ভাব তারিব্রা ?

এনা: মচু অরায়বনি ঐঙোন্দ, ঐন কৈদৌঙৈদ থঙলুদব হুং-ঙাইব থাদোকপদি।

লাই: নত্তে, লুব হেল্লি, নংন মখোয়ত্তু থঙলমদব মরম অচুমক্ত......... অত্থ, নংগি নর্জ লাক্লে সিদ।

(লাইরিক অচৌব অম পাযহন লোনা এনাগি নর্জ লাকই)

নংগি অরোইব শেমশাগদ্য তৌরো। মহাক নংগ লাই শোনহিমনি।

— নংন পায়রিবত্তু করিনো ?

নর্জ: লাইরিক্তি ইকাইখুম্নবী ইমা।

লাই: মহুবুদি ঐহু উরে; অহুবু করি লাইরিক্তো ?

(নর্জন লাইরিক্ত পী মঙোন্দ)

নর্জঃ 	"পুংশিংগি লাইরিক।" মসি দোন গোঙ্গালোন দোনা এনাদ পীরকপনি।

লাইঃ 	মতিকচানৈ, অদুবু হাখলগি মওলান্দি য়ৌদে......
(দোনা এনাদ থাদতুন পীখি)
অতৈ অমুক হায়নীংঙাই লৈতে?

এনাঃ 	লৈজত্রে, ইকাই খুম্নরবী ইমা।

লাইঃ 	অহুদি ঐ নংবু কোম্ন কৌহল্লকে।
(মগাক চংখি)

নর্জঃ 	নহাক্কি খুদোনপোংনি য়েংখিরোইত্রা?

এনাঃ 	হুক্কিক য়েংখিরোই।

নর্জঃ 	দোন গোঙ্গালো নীংব কারনি।
য়েংউ, কয়া নিংথিন মথুম পান্নিবনো.........
(লাইরিক্ত পী, এনান হাংদোক্কন থমগে তৌই)
......অদুগ লাইহু হায় য়েকপনি।
(এনান লাইরিক্তু হাংদোকপদ চিঠি অম তারকই)

এনাঃ 	করিনো নিদে?
(নর্জন লৌথংলগ পী)
মহু সিদ হাওখি হায়ব নং খঙ্গাও?
পাউথুম পীয়ু।

নর্জঃ 	কেটৈগাইগম ঐঙোন্দ হায়জরম্মি নংগান্দ মসি পীজনব।

এনাঃ 	(চিঠি নংখোক্লগ) ঐ মহু পায়োই।

নর্জঃ 	দোন হান হন্নক্লে। মহাক সেক্তিলন্দিক লৈরে।

এনাঃ ঐ খঙজি। পাবুংন ঙরাং অহিং মচুগিদমক ঐহোন্দ চেকশিলহল্লম্মি। পাবুংক থোইন লাংতকনিংঙাই লৈতে। দোন য়ানগি থৌনা থোরমশিংচু বিচায় তৌরগ ঐগি মিংচু মহাক কাউরম্লনি।

নর্জঃ মচুননি মহাক হেক হন্নকপগ নহোন্দ চিঠি ইরকইব।

এনাঃ (চিঠিগি অকোইবদ চংলগ) ঐন নীংই ঐসি মহোন্দ শীংনব মথল অমনি।
অম্নম হায়ন উই— মহাক চানকরবা লৈশ বীশিংচু হেক্ক কাউথোকপ, অচুগ মান লাম্ব কংজর্শিংচুবুদ নিংশিংব। মাগি নিংশিংগোংলুমদ য়াংহনব।

নর্জঃ নং খঙিঙ মান নংবু তুংশি

এনাঃ (চিঠিদগি লাপথোক্লগ) ঐন ঈশ্বরগ থাগংলি, পাবুংন য়াবিথিদবগি ইমানৗ লুহোংবদ। দোন য়ান করিমু নত্তে অচম্ব থৌনা থৌরম থিব অমদৈ তেনব, মচৎ নাইদব লাইনৌংদব অম মহাক্ক পামজন হায়ববু মান মুংঙাইগদবচুদং ইন্নজদ মাগ জমন্দ ঙাইব ধর্ম্মন মশাগি নাপল.........

নর্জঃ থাংজদব নাপল! নং পাম্মা নিংখিন ফারে। পাবুংন ঙাংবচুগুম্ন ত্তারে।

এনাঃ ঐন নহোন্দ হায়রিশসিনি, ঐহাক চাবু তুকচব হৈরে।

নর্জঃ ঐথোয়ন তুকচব তম্ব ঙংদ তুংশিবস তম্ব চমদে।

এনাঃ (চিঠিদ লেম্লগ) অচুবু ঐথোয়ন কাউবদি ঙম্মি।

মহাক্ল ঐবু কাইরমত্রবস্থ, ঐদি মাবু কাউরে।

নর্জঃ অচুম হায়ন উই। হৃজিক মহাক্ল নতোন্দ করিমত অর্থ লৈত্রবনিন, মাগি চিঠি পারোইদোরিব কবিগিনো?

এনাঃ মচু চুম্মি......... কনায় পীবু।

(মহাক্ল চিঠি পায়)

"ঐবু নতোন্দ হাহং অমত্ত হংহল্লু
অচুগ ঐ অতোপ্প অমমুক হংজরোই ঃ
ঐবু নংগ মঙলান্দ কোইরক লাক্লকপ্রা
নংন হৃজিক ঐগিদ চেন্নকপওম.........
হাহংসিদং খুদিরকউ। ঐ অতোপ্প অমমুক হংলরোই।

দোন খান

(লেপ্প) উম......

নর্জঃ পাউখুম লৈত্রাও?

এনাঃ (মাবু ভাদন) উম, উম!

নর্জঃ মচু ঐবু মতোন্দ পুখোন্না?

এনাঃ করিবো? নত্তে, পাউখুম লৈতে।

[মহাক্ল লাইখুক্লম্মব চৌকিদ খুকউ লৈতারগ]

মিস্ল্-শিগিদমক তেংবাংবিয়ু ঐবু। নতোন্দ খুকউ লৈতাকরি, অচুবু থেংনৈ ঐন মতোন্দ খুক্লম্ম।

[এনান লাই থুকপিমিতৈ, নর্জন থোঙ হাংই দোন ৱান চংহল্লি, অহুপ মহাক চংখি]

এগ্নস দৈ, কুই টৌল্লিজ পেকাটা মুন্নি,
 থোনা নোবিস পেসেম.........

ৱানঃ মিজরেরী নোবিস

[এনা লৈথোরক্লগ লেপ্লি]

এনাঃ কমদোন চংলকপগে ?

ৱানঃ নংগি নর্জন থোঙ হাংদোকপদ

এনাঃ করম্বন ঐগি কানো হায়ব কমদোৗব খঙবিখিবগে ?

ৱানঃ ঐবু সি তাম্ন পুখিরকপনি
 ঐব কোনবিব সেন্টন......

এনাঃ মাবু কনানো ?

ৱানঃ সেন্ট সোফী।

এনাঃ ঐন ভাবন লাম্বদনি নংগি সেন্ট অতু মুনী ওইরম্বগনি নীংই।
 মাবু কনানো ? মাগি মরমদ হায়দি তাদে।

ৱানঃ মরমদি মাবু হুজিক মীয়ামদ খঙনহল্লি।

এনাঃ কবিগি ? মাবু করি তৌখিবগে ?

ৱানঃ লুসিফরগুম মাবু স্বর্গদগি লংথরকপনি।
 মাগি অমত্ত ভাইব মরালদি মুংশিব থঙথিব
 মান অংকি মতিক ৱারম্পি মীগিদমক,
 থোইদোক্ল কবিশিং অমদি মুংশিব খঙবশিংগ

মতুদি মহাক্ল লাইরৈবাকপু থাগহনবি অহৎ মিংদাম্বীবশিংন
— মমৈদ মহাক্ল ঈশৈশকপশিংদসু থৌজানবিব উবদ
ঈশ্বরন মাবু "চৎলো" ইন্দুন তাম্বোকপ তাথি......
(এনান মমাই লৈথোকখি)
এনা, এনা।

এনা: চৎপিথ্রো, লেংও।

বান: ঐগি বাহংশিংহ কৈদোউঙে থুবা ?

এনা: কনৎ বাহংশিং ?

বান: ঐগি চিঠি।

এন: মহাগ পাউথুমদি— নত্তে, ওস্মোই

বান: এনা, ঐঙোন্দ য়েংউ।

এনা: (মঙোন্দ ওনশিল্লগ) করিগি ?

বান: মিৎন বা কজন ওাংই, লৈঙোনদি মরোম লেংদে ;
নমিৎতু উব ফ'দিবমবৈ ঐন তাদগ খাই
নাগিনবাল্ল ওাংবহু। মান মথোহহু মীনাম্ম।
চাথেংনবাসন, মথোরদ পীব চৈরাক্ল।

এন: অহুদি ঐ বাদে ঐগি মিৎশিংসিবু।

বান: মথোয়হুদ ফাওহুন নংন চেৎকই ঐঙোন্দ।
দাগিান, মথোমোগ মন্নাদি (মমিংতু চুপই)
মবুক শেংই মথোয়দি নহা'ক্ল মতসানগুম।

এনা: অহুদ মতশিং হু ঐন খুথংকনি।

বান: চুমদে, মহুন নহাক্কি ... ঐন কংজব,

মরমদি পুন্সিদি কন্নক চাউই, লৌখুনৈ
ঈশ্বরন ঐভোন্দ য়াবিধি লো হায়ত্থন

নংন তৌরকপ ধর্ম্ম মাংথোকপ বার্ত্তোন্দু

মত্থদি ঐন মভাপ পীব য়াই নংগি পুক্নি দ

অমদি উংলব য়াই লোইব নাইদব পুক্নি

লৈ হায়ব মীগি ভাইবং পুন্সিগি হ্রা মদ .. ..

হ্রানঃ অর্থ লৈতব হ্রানি, থর হেন্ন থকখো য়ুর,

সিদ লৈ ঐখোয়গি পুন্সি পুন্নমক।

নূংশকঃ ....মত্থদগি নংগি নয়ালশিংত্থুগি লাক্লে হায়জনব শিক্রিভেগি মমাংদ।

হ্রানঃ মত্থন ঐভোন্দ থৌরী শাংন পীরি।

নুংশঙ: (হৌগৎলগ) মহুন নঙোন্দ পুং অহুম পীরি, মরমদি নং ঙাক্নি অহিংসে শিগনি।
নাবু কিরাও?

ৱান: খিদে।

নুংশঙ: অহুনি নং নাখোন। উৎকেরা
ঐন কোইমনই নানি হন্নগ ওইন
নোংঙনদি ঐন [illegible] আঙুন।

ৱান: [illegible] ইশাম পাউনা পুথো নংবু থারকপ
নিপাহুন। ঙন্নু — ঐন মাবু চাদে, মান ঐবু
[illegible] অহুন [illegible] ফুত শারিবানিন
([illegible])
মামল নঙোন্দ চংপ [illegible], ভাবগু তাব হেলহন্নি।
[illegible] তৌরন্নি অহুগ
[illegible] খুদক্কুদ হৌ-
[illegible] কাব উহৈ]

[illegible]
[illegible] (মথোয়নী ৱান্দ চোংশিন্নি)
[illegible]
[illegible] ঐথোরম [illegible]।

ৱান: ঐ [illegible]।
[illegible]!
আঙেঃ [illegible]।

য়ানঃ ঐন কাপথিবহ নখোয়দ নত্তে।

কার্লোঃ নত্তে, অদুদি কনাদা ?

য়ানঃ দোন গোঞ্জালোদ।

কার্লোঃ মহাক্তি শিরে।

য়ানঃ মাগি শক্তমদ।

আভেঃ মাগি শক্তংদি নুংন শাবংন।

য়ানঃ. অদুদি অংগ্রম ওইব এন ভমংদা কাপথিবতু করিগুম্বদনি
ঐগি পুক্নিংদ কোইরকপ

.........অদুবু নখোয় থোংদ থীনথিবহুদি নিংশিংব্রা ?

কার্লো. করি থীনব ?

য়ানঃ (আভেদ) খোইদন নংদি নিংশিংইনি ?

আভেঃ করিমত্ত নিংশিংদে।

য়ানঃ উগমকপ শক্তংগি সাক্ষা কৈদৌউদ লৈতে।

কার্লোঃ (শংলগ) ঐখোয় নংন হ দ্রজব ভায়রি।

য়ানঃ নখোয় ঐন শংমক্র ভাকাথবতু ভারে।
অহনা ? (শংগি) হনী শিমিন্নবা ? কনান হানব ?

কার্লোঃ ঐ, মরমদি মহ। পুন্নমক্ত ঐ নংবু তুকজখি।

য়ানঃ ফৈ, ঐ থক্তংগি, বল্লভুন হংলংদি নিপা অম ওইব ভমদ-
বননি। লাও অহাদ, মসিন নুংলাই শাববু থবক
চিলহন্নগনি।
(টেবিল ইহ্নুন লান থংনৈ)

Curtain

Act Three
Scene Three

অহিংতুমক থন্ন থেংথরুপ। মোংভম:

দোনা এনা অমদি দোন গোঞ্জালোগি শক্তম মমাংদ। দোন রান চংলকই, মশম মনা ইফা কা — থাংন শোক্লে, মাগি থাংশাংদু মথুংন শোরো শোরো চিংদুম পুন্নকই।

রানঃ হিদাক চারবগুম, মঙলানচাদ তৌবগুম,
ঐন চিংহুঁ ঐগি চৎনিংঙ্গব হকচাংবু অহিংসিগি চোইরোলদ
মকথসি তাম্ন হুজিক কাওব ঐগি য়ুথদি ওইরিব।
অদুবু কদায় দোন গোঞ্জালোদি ? হেন্ন লুব বার্ত্তোর
মাবু থীদ্বহনগ্রবা ?
(মহাক্র কাক কাক থংলুই গোঞ্জালোগি মঙফমদ)
লাকও, হোৌগংলকও, ঐহাক রাশক ভাক্কক্রবনি,
ঐ য়েংগে নংসু ঐদোন ভাকপ ওমত্রা হায়ব
লাকও, হৌগংদু, অঙইবমক উপূসিন
হুংওাইহনব ওখোই নংগি শক্লশিংহুদ।
কাথংলকও, থূজিন্ন হোৎতুম অঙানবদ থোরকও,
ঐতোম্ব উংলো নংগি হকচাংগি অরেম্ব শুক্লকশিং,

হৌজিক নংগি তাঙ্গা লাক্লে, ঐঙোন্দ ইন্নরকউ,
ঐবু ভাব তাহল্লু; প্রমান তৌও: নংগি ভূত্তু
হুংশিংদি অপাব উনশাদগি খাইদোকপ য়াই হায়রব
— তাইবংপানগি অকোইবদ শিংলিব হুংশিংদে।
ঐখোয়ন ওইরিব লৈকংলাবু থোশাদন হৌদ্রিন্না
অহিংন লাওন চল্লিব হকাম অসি কারক্নুন।
করি? নংগি মণ্ডমদু লুপ্তরব্রাও? লাইগি দুর্ফশিংন
থাজংলোইজ্রা? নংগি ঈশ্বরদুদি লাপকপ কংলোইজ্রা?
অদুগ ঐ নত্তেং পাংবিগেদন............
[দোন রান মণ্ডমদু শোকজুল্লিলৈদ, মদু হাংদোরক্লগ টেবিল, মথক্ত শয়, উং, উফুল অমদি পুংগি য়াস অম য়াওব উহল্লকই। মণ্ডমদুদ লৈব শক্তমশিং অমদি গোজালোগি নুংশক থর লেংলকই। দোনা এনাম্নি শক্তবদ লেংদন লৈ]
মিংকপ্প থোক্লব লম্বীদু লৈত্রব্রনে'
ঐগি পুক্সিন ওল্লব মণ্ডলাক্লবসি কারনব?

নুংশক্তমঃ নং কিরব্রা, দোন রান?

রানঃ উম।

নুংঃ কারিবু কিরিবা?

রানঃ ঐগি মিং অমদি মখোয়ন উরিব মখি মরাম ঐগি হাওজদু নমথাক তৌরবশিংবু।

নুংঃ ঐগি থোজেনদি? মহুন নংবু তাম কাহবা?

ষানঃ তাহন্দে।

নুংঃ নংগ নফিৎ অমদি ননান নংবু নমথাক তৌরবদি শোকউ,
মনম নঙ্গু টেবিলদ লৈরিবহু।

ষানঃ মসিদি য়ুনি, শানি।

নুংঃ অহুদি কম্মগ চাও।

ষানঃ মসিদি উফুলনি।

নুংঃ মসি উফুলনি মহা: ওনখিব মসি ষেংউ।

ষানঃ উংশিংনি।

নুংঃ উংশিংহু মুপীহুন নহা ওইবষহুনি।
নংগি য়ুহু থক্তিব কবিগিনো।
দোন ষানবু কয়ম্ন থকদগে হায়ধ কাউরব্রা?
(য়ায় থকই)

ষানঃ আয়, মসি ঈনি
(টেবিলহু থাদোকই)

নুংঃ ঈহু নং নশাগিনি। ষেংউ নডোম্ব খোকলিব ঈহু।
পুংগি গ্রাস অসিন নংগি হেক লৈখ্রিব মতম মথৈ পায়রি।
মতম্নি অবাব ফোংদোক্লব।
(অয়াম্নদগি মী লিবগি শরীক খিংই)

ষানঃ করিগি অহাব ফোংদোকপ।

নুংঃ নংগি পাপশিংহুগি।

ষানঃ ঐগি ইয়াল হায়ববু ঐ য়ায় নিংথিন ফুংশিক্কই

নুংঃ চুম্মি, অহব নংন ফুংশিকখহু নশাবুনি।

ঐগি ইচানুপীন শিখি নংবু মুংশিবদগি।

রাম: ঐ অমার ফোংলোই মুংশিবফুগি।

মহাক্ত খ্বাইদে ঈশ্বর নরুপ পোৎান ঐন খঙবদ।

অঙুগ মান হিংলম্মবাদ ঐসু মতম চান ঈশ্বরবুসু মুংশি-

রম্ব য়াই ....

হয়াকসিন খিংলিব করিগিনো?

নূং: মসিন খিংলিবাস শিরব নহাক্কি'ন।

(শিবগি ঈশে মতেক কম তায়)

রাম: ঈশৈসিন অশিবহুগি মথক্ত শকপ মম্রনি।

(ষ্টেজ মনাংদ মীশক অঙম চৎলি)

রাম: চৎলিব মীমামসিন করাগি?

নূং: মসিন অশিব মশাহু পুঙুন মংগুম্ব চৎপনি।

রাম: কনাগি মশা? কনানো শিরিবদ?

নূং: নংনি।

রাম: ঐ?

(মখুৎতৈ থাংহু তাব)

নূং: মাদ রান, হয়াকসিন খংলিবাস নহাক শিবগিনি।

শকলিব লাইনোনস নহাক্ক কু মথক্তান

রারিবশিংন পুরিব কুমদ থাওার নহাক্কি হকচাং।

নংনি শিরিবনি

রাম: ঐবু শিরব?

নূং: কেপ্তেন কার্নোজন নংবু হাংথবান

নথোয়নী যাম্নবদু পুং অমত্তা ডাইদ্রি।
য়েংউ ঈদু হুজিক কাওব কংগ্রি।

খান: ঐ করম্ম শিব য়াদৌরিব, লৈদু লৈরগ?

নুং: মরমদি অশিব হায়ব লৈতে।
হুজিক নং ভাব তায়ব্রা হিংব হায়বসি
মতম্ম লৈরিবমখৈনি।

খান: নত্তে, করি প্রমান লৈরবগে ঐ শিরে হায়বগি?

নুং: কনাগুম্ব অমদ চৎলু নংন খুংশিনম্ব,
অদুগ য়েংউ মখোয়ন লৈখোকখিব।
মথুদৈনি অশিব ঐখোয়ন শিরে হায়ব খঙলিব,
অদুগ কনীরক শুন শিরিব।

খান: অদুদ ঐন লৈশিনব ঙমদোবসি মত্তোম্মদনি,
মহাক্ক লৈংথোকপ নম্মোই। ঐ হুজিক শিরবদি,
মতু কনীগুব মাশান। আশব পূম্ব ফুমজিন্দুন লৈতে
- মখোয়গী থম্মোইদ অরাবন হিংহুন লৈরবদ।
অদুবু ঐ অমুক হুম্ম শিরবদি, হন্দকমুক্তি
মতম মপামক্ক শিদৌরিবত্থু, তোঙান তোঙাম্ম
শিনবন ঐখোয়নীন থিব কংলবদি অয়াংব
হংকুপ অদো, মতুদ ঐখোয়গি থৱাইগি
শাব মিংশিংন খঙনবগুম লৈরিব খুংশিনবত্থু,
লেদন খুংশিনবদো, হৌরবন মাংগ্রব,
যুগ গুইরোইদব, ঐখোয়নী অমত্তা ওইরব,

মপোকসিমগি, মতম লৈরিবমথৈগি।

নুং: করিমতম হৌথ্রববু মাংহনব তমদে, অদুবু.........

ব্রান: অদুবু করিগি ?

নুং: করি ওয়নি নংন লাম ফংলোইদব

ব্রান: (লামথংলগ) করিমত লৈত্তে ঐন লাম ফংদব।

নুং: পাপ কোকবদি ? মদুগিদমক মী অমন খুকউ লৈতাব তার।

ব্রান: অদুদি ঐ খুকউ লৈতানি।

নুং: করিদ ? ঈশ্বরদ ?

ব্রান: নত্তে, মুপীদ। মাগি মশক অদুন হেন্ন মেংই
মুংশিবদগি। মাগি মুংশিবদুন হেন্ন থোংলি অপাম্বদগি।

নুং: নংগি অরোইব মিংকুপ্ত ফাওব ঈশ্বরবু নিন্দা তৌবগি নথৌনা ?

ব্রান: মহাক ঈশ্বরগি মনাক থ্বাইদৈ নকপ পোংনি হায়ন ঐন খঙখি। মাবু মুংশিরগ ঐহাক মতম চান ঈশ্বরবুসু মুংশিরকপ য়াই খংখি।

নুং: নত্তে, মতোন্দ খুকউ লৈতারুসু। য়েংউ ক্রোস অসিদ।

ব্রান: করিগিনো ঐবু পুৱব ঐন মুংশিজবদগি করিগুম অমদ ঐন উবফাও ফংদব ?

নুং: নং ঐবু থাজগদবনি।

ব্রান: করিবুনো নহাক ভাইরিবসিবো ?

নুং: লাও, মতোন্দ য়েংউসু। মথুংতু ঐতোন্দ পীয়ু।

ঐ নংবু চিংবিগে মতগি লংবুন্দুদৈ,
তাইবংগি লুংশিনক তায়ব নারজুংগ মপান্দ।

থানঃ (মতুংদ যেংলগ) নংন ঐবু তাকপিবগি তাবলা?

নুংঃ নখুৎতু ঐ.পান্দ পীয়ো।

(থাম মখুং পী)

থানঃ ওহ. ঐ চৎলগে, ঐখ খুং, ঐগি পাম্বোম চাকলমানে, নুং ওয়মানে।

ঐ চৎলগে...............

[নুংন খোন থানবু খাদোকই, অদুগা মখুৎতু কিভমছদ অহুম লৈ.হৌই নুংগুম]

নুংঃ ....এন নীংনে, হাংক থেমনখ্রে।

ঐন নংবু মুখোয়কপা এনান .চংদাগী,
নংবু লুংশিংদুন নপাং কোবসিংদাগ।
ঐন নংগ অরোইবা লংবুন্দু, মাংহনখে,
অদুন থ জ. নং মাবু কনাশিন ফংলরোই।
মথংদি মহাক যেগন দে, নং ...ন থান নোংমাক।

(ছবীক দিংব থেপাব)

থানঃ মসি নোংগোক নত্তে।

নোংরেক লৈতে মাং .লাংবা ঐগি থম্মোইদ।

নুংঃ লুংশিব অহান নংগি নোংদাক হায়বনু।

নংন খলথি কংমত .খোংপাকি শিরব তুংদ
হৌজিক নং থৎপ্ন মহুক পশিব হায়নসি

খোজাল অমনি মীংতোন্দ পীনদব,

মঙ্গনি নংগি নোংমোক [illegible] রান -

[রানগি [illegible] কনশিল্লকই । মবৈদ

নূংগি শক্তম ওইবকাও]

দোনা এনাবু নীংব মতম পূম্বদ,

মতম পূম্ব মাবু থিম্বু , কৈদোঙ্গুংদ ফংলোই

মতম চুম্ব লুংশিজব, কৈদোঙ্গুংদ লুংশিবিরক্তব ।

য়েংউ, করম্ম [illegible] নুং ওল্লকইব মওংচুদ

মতুম্মনি নংগি [illegible] কৈথোকখিব

নংগি নোক্লিংজব [illegible] ।

[নূংশক ওইনা [illegible] সন শাতুন দোনা এনাগি

শক্তম মথোঙ তাপ্প চংলি]

অতুম্ম মতু [illegible] লৈকোনাসিদ

নংগি নূংগি [illegible] অ শিঙ্গুরবশু চীকপদৈ,

মরমদি [illegible] — ওইগদবদি নথন্দ তাইবনি।

[রাজ্ঞ অরোইব [illegible] (থরাই নারব) এনাগি

মথোঙদ লৌখি]

রানঃ ওহ, ঐগি [illegible] ঐগি থম্মোইদুদ—

নতোন্দ [illegible] মাংখ্রব থম্মোইগুম ।

নূংঃ মতু থেংমনগ্রো, [illegible] তাব কংলবোই ।

মংনবুক্তম্ম [illegible] খায়দোকপ

—মতুনি ঐগি লমন থুম্ব ।

দোনা এনাগি মথুংতু ফেংক্ককং, অত্থগ দোন য়ানগি মকোক্ত থম্মি। য়া'ন'গ ' কুমহু পোখাব ওইন তৌখি।

য়ানঃ থাম্মনহনব য়াবশিংহু ' দৌদুংদ

হুংশিনখিদে।

লৈরাংদো খোইমুদো

মৈরাংদো খোইমুদো

A serious drama with a humour coat

জি, সি, তোংব্রা

লীলা মীকোক্

পাঃ

১।	ওঝা খোইমু		চহি	৪৪/৪৫
২।	কাটলা	অনীশুব মচা	"	২০
৩।	কৈজাও		"	৪৬
৪।	চন্দ্রসিং	কেরানী	"	৩৬/৩৭
৫।	ঙকাবী	মীন য়োকখিব মচা	"	১৬/১৭
৬।	পোরোম	মীন য়োকখিব ও শুব মচা	"	১৮/১৯
৭।	নাগেশ্বর		"	১২

পীঃ

১।	নৈরেন	খোইমুগী নুপী	চহি	৩৮/৩৯
২।	নাসপতি	" মচানুপী	"	১৯/২০
৩।	হৈথা	" "	"	১১/১২

১বা মতাং

নোংমাইজিং মুমিৎনি, মুংথিল পুং ২॥ য়োম তারে; খোইমুগি য়ুম মনাক্ত লৈব নঙ্খোল কুবাকি মাঙোলদ ওঝা খোইমু অমদি তাকৈজাও ৱারৌ শারি। চৌকি অমমমদ ফমগ কণ্ডক্র ডাস্থক অম দব জোহ্নুন য় থল ঢোনরি।

কিজোপিক ইচম চম্লা কেজোম, ফুরিৎ, অমবোং মজুনব শিজিন্নে। লৌ লোইনরকপ ৱাকচিং থানি। ইম্ফালদৈ লাক্লগ ওঝা ওহরবনিন খোইমুন থর মতো মালি, কি-জেং, চাকচ, মতাং শাচাংদ।

কৈজাও: (কণ্ডক্র চিংলগ কামথোকই) ওঝা খোইমু মুইতে; লৌ লোকনরকপ ৱাকচৌং থাসিদদি ঐখোয়ুন অডাং ওইহার-ৰৈতদ উন ফন নিংথিন তাথিবদারা? নিংশিংইত্রা?

খোইমু: অা কৈজাও, উন য়াম্ন তাব কুম য়াওখি, অহৈ নহা ওইরিৰৈদদি হইংবু ইংলৱদে, হুজিক্ত চহি য়াম্বনমা, লাইৱবনবা নত্রগ পুক্লিং মুংচাইজবনবা মুংথিল পুং ৩ বু তারমথিয়োই অবোং ইনব মুংচাইরেনে।

কৈ: লৌবুকপি চক্ক খোম্মগ মৈ তিকপ, চু হূমাল্লগ ইমারব ৪/৫ চামিমব মুংচাইবনিদা হাউবনিদ মতমদো!

খোই: হজিকি করিনো অা কৈজাও, চক্কন তাংইব চুনা তাংইব...

কৈ: তাংদব পোংপু লৈত্রেনা— করিনো হোংলি হায়ব য়াবিধ পোংগো ?

খোই: হুজিক হোংইবাস তা কৈজাও অঙাংদি হোংবে।

কৈ: অওইবনি অঙাং দ করিনো য়ামখ্রেদ। লৈকাই লৈকাইদ খুন খুন ওরিগুম কর্ম্ম, ষষ্ঠি পুজা, নারান, শনি খুকখ-শুম অমত্ত খোকপ য়াদে— তিনথ্রিব অঙাংসি –

খোই: শ্রাদ্ধ কর্ম্মদ লুহোং খোংদোংবদ করিনো অঙাং ময়াম্ তিনবসি অঙকপনি ইফালদদি— তা কৈজাওসু খওবিরি-নি ইফালদ তোইন কাবিব, সজ য়াম্ লৈবনিন।

কৈ: কবোক হৈবোক দক্ষিনা য়েন্নবনু তমদেনে, হেক্ত লাকপ তব অঙাংবু ওপ্লোক্ত য়াগে

খোই: শিবন মশিং হন্থরব, পোকপন স্বাধীন্ধ অথিংব লৈহন পোকলেদো মন্থদদি—

কৈ: ওঝা খোংমুখোইদি খবর কাগজ পাব য়াওবনন খওবি-রিনি— অঙাং মাশং খংয়াম য়ামখংলকহবাসবু মনিপুর দন্না ? লৈবাক অহৈদদি কমদৌরি হায়বগে ?

খোই: মনিপুর হায়বাস তা কৈজাও ভারতকি লমনি। পৃথিবী গি লৈবাক পুম্নমক ভারতকুম্না মীশিং লোইন হেজংনরকই। মখোয় অথওবশিংন হায়দবদি পৃথিবীগি মীশিংগি ১০০ দা ১৪ ভারত লৈ হায়, মী ৭, ৭ খুদিংদ ভারত মচা অময়ম য়াওই।

কৈ: খুংতি কল্লিদা, লান তৌনববদি ঐখোয়গি ভারতবর্ষ

লমাদ কয়া য়ায়া পাকপগে পৃথিবীদা ?

খোই: পৃথিবীগি লৈবং লমসি ১০০ থোংক্র য়েম্বোক্লগ ২৮ য়োমদি ভারতকি লমনি। নহান মথোয়ন চে য়েল্লক-পদৈ পাববু. তা কৈক্সাও, ছুজিক ভারতকি মীশিং চাক তল চারিবসি ক্রোর ৫০ হেল্লি। লাখ ১০০ না ক্রোর অম; অক্তুগুম ক্রোর ৫০ না ভারতকি মীশিংনি।

কৈ: হরে হরে! অক্তুক য়াম্ব চৌনবু কনান থাকপ ঙমগদগে? চেং তাংব, ঙাম তাংব মশান তাবনে। মমাংকৈদদি অনাব অচৌব কনান মী য়াম শিনবম্বি— ছুজিকি ডাক্তর মতাম মীস্মু ইশি শিংস্রে, লাস্মু তোইন তৌব্রবনিন মী পম্ম পম্ম শিবস্মু থোক্লে — ছুজিক খর তুক শিব তারি বাসি নহারোল য়ারকপ য়ারব অশুং মশেল হাংনৈ শুনৈ নত্রগ লখীদ গাড়ীন মী তাক্র, শিরেক হারবদ খর তোইন তাব্রা।

খোই: মানি তাধন, হাংন শুনব গাড়ীন তকপ, নাত্তুন শিব খর খর তার মরক মরক্ত। য়াম্ব তোইব তারিবদি লুহোংবগি বজাই বেঙ্গুল মথোল. ষষ্ঠী পুজাগি মাইক মথোল —

কৈ: পোকস্মু পোকগ্রমানেদা! হায় কবনরা তারতসিবো। লৌবুক্ত কো চেং হুয়াই কনব হায়দি কয়া তাংলে।

খোই: ভারতপুদি অঙাং হৌনব হায় পংক কব নস্তে, এসিয়াদগি নোংচুপ অসোম হায় কব হেল্লিবনি। অদুদ ঙম্মু হাংব মমুম পাম্রব মতে মনাও মশীংশি য়ামগ্রে ভারত, অদুননি।

লৈবাক অতৈন থর থেংনা মযুম পাইরে। অদুন অচাং মশীং চৈরে। চফিক মাংখোইন হায়বদু নোংমদ ভারত্ত পোকইব অচাংসি ৫ শী ১৫ নি, অদুনদি সেকেণ্ড ১৮ খুদিংগি ত্তেক, ত্তেক, ঘড়িন হায়ব ত্তমজিরৈদা অচাং অনৌব অম ভারত্ত হংডা হংডা থোংলে।

(কৈজাও থংই, ত্তকত তবদ)

কৈ: চাব থকপ য়াওরগে ঐখোয়গি ইবক হায়রবনিনে, চহি-দদি য়াম্ন ডংরারিনি।

খোই: চহিদ মীশিং ক্রোড অনীগ লাখ ১০ হেক্কংলি তা কৈজাও।

কৈ: মতুগি চাংদ অত্তম হেক্কংলবদি ভারতসিদ মী অমগি কমুং অম থাব চন্নকওইদৌরি কররা? ওঝা খোইমুখোইদি অচাং য়াম্বদবনি। ফো থর রাগ কুম অম চাব ওকইদো করিনো ঐখোয়দি অচা' ৮ না শায়চন্নকপদি উচৌ ময়ামগি থাদন— এঃ হায়রন কাম্নদে। চক অকংব নাপীশীংনা চাব তমগত্রা ....!

খোই: অদুমকপু তা কৈজাওখোয়দি নিপামচা অহন্দু জ্ঞান তাবন মুপী থীম্ন য়াজি, ইতৈমা হাকুম লৈখিজে। মুপীমচা অহলনা মীওোন্দ চেনখিদুন মচা অমনী পোকগ্রবম্ভ তাদ কৈজাও খোয়দদি চাক তিংজে থরবু কৈ।

কৈ: ইবুংঙো খোইমুগি অচাং মশীং অশেংব কয়ানো? ইম্ফালদ অনী নখোলসিদ অমত্তমক থওতি ঐখোয়দি?

খোই: মীওোন্দদি হায়দাকপীদু, তা কৈজাওদদি অশেংব হায়-

জগে— খোইমু এ অওকপ নিপা নত্তে, ইচা য়ামদ্ধ-পোংনি।

কৈ: ইম্ফাল শহরসিদু শাংগ্রমানেদা শকহেনবা শিঙেল লৈরাং মবুক কবগি জাংসে।

খোই: শাংনি তা কৈজাও, ননাওদু মবুক লেপ্তব খোইগি জাংত পোকরব খোইমুমক্কি। হুজিক্তু ইশা ত্তংগ্রচন কোইন পাইরবনি, লাম্ন মকোক্ক ংলমদাইদ তুংই হাল্লবগনি।

কৈ: নত্তে, অদাং কয়ানো? ভারতকি চাক লাংহনবদ ইনাও খোইমুগি তেংবাং চান কয়া পুংখোকখিবগে?

খোই: তাদন। হুনপোং নত্তে ঐগিদ্ধ ৮/৯ বু ওর'রনি, নোংমত্ত চুটি দুমংত কৈ থাংন খাগে নাংবনি, ফদে. ওস খৌবগে। ঐগ ৮ মুক্ত পাম্মা'রব লৈরেন হাম্বসি লাম্বিরেদ অদাং মদ... কোম্ন পোম্নখ, অনা অমদি ও ...হৌদ, ... ঈশ্বদ বংগ্রে হায় মাইন য়াইবীন, তাদ মমান ... মযুন পানবদ পুখিরন ঐগি লোক্রদ । হন্দবে।

কৈ: হুজিক পান্নরব লৈদাও কৈংবদ মানবীজন কয় লেপ কপা ইবুংঙো লাংদ্রব্বি?

খোই: অহল মধুসিং ৮'হ ২১ ওইরিনি, গৌহাটিদ ত্র-মোক্তকেল ক্লাসত তমহনখি।

কৈ: উম কৈ, ডাক্তর তম্বন শেল খোকপ হেল্লি।

খোই: ঐদি তাধন শেল য়াম্ন পামদ্ধন ডাক্তরদ চৎবনব নত্তে, ভারতকি অতাং মশীং হম্বনব লম্বী খিব চৎহন্নিংদ্ধন

থাগিবনি অচাং য়াম্ব থিরে তাথন।

কৈ: খিরবনি ইংচিন্নাও ঐখোয়গী প্রেম কব মখে। থুবাক ঊৈখ বাসক শব্যা, গুপী পালা, কৃষ্ণ জন্ম, খোরাগি জন্ম, শিব রাত্রী, লিকোন শামব, জগোই রাশ, লীলা, সিনেমা, খোইমু লৈরাং প্রেম ভক্তিদ খোরাই লুমলবৈখ চাক চান্না অনী চাব কংনজে— করিনে। মচা ২/৩ দা পোকপ হৈক্রুজম চাউমচা ঐখোয়দোন লৌ য়াম্ন উবন্থ নত্তে, চাং শোনবনিন কয়াদ লুংঙাইন পানন্নবনে।।

খোই: অশেংবনি তা কৈজাগ, অচাং য়াম্ব বাসক পাম্ব ঐখোয় অপক্তব তারে, পূক থলরে, ভোট মশীং থর য়ামহৌন থুং কন্নব থল্লব ঐখোয় চার অংকুনা থাংলে অচাং থাকপদ।

কৈ: অচাং মশীংবু অতোপ্দ তাকাত্রি।

খোই: মধুগী মথংদ য়াইংমক কাটলা কৌই তাথন, কাটলাগি মথংদ গুপী মহন্দু নামপতি কৌই।
পিক্লিংঙৈদ মন কক্লরম্মী চাউর চাউয়গ লুম বিলিক্তক পাউডর লৈখদ মুংপ্রা কারিনো থচদে, হুমিক্কি মৈত্তেম নামপাত চানিংলক্কবগুম তোরে মহাক্কী মমিং ভাবেমা কৌরবদগী স্কুলদ নামপতি হায়রুন মমিং চনখে, মেট্রিক ক্লাস তম্লি।

কৈ: মবু য়াংমা কটলান কম্নি তম্নি?

খোই: মীতৈবাক্কীগী হাতাংন মৈত্তগী থাংচা থাংব অমদবগুম স্কুলদ পরৈক য়েনৈ হায়হুন ওঝান খোমবদগী ইবুংঙো

য়াইম কৌজব অচাংছ লমজাদ মমিং চংখ্রে। হাকুম মেত্রিক লাইব্রিক ফাজুন পরিক্ষা য়াওরবদে কুমসিদি কলেজ কাজরে, মশা নাজরে, ভানপ, ভাতোম, শরেং-খোইবী মানবী ছাত্রী ভুপীমচাশিংগ থুংশা থীনবম লোইরে হায়ন পাউ তারি।

মৈ: ভাইখো ইবুংগো কাটলাপা, ঐ রা অমত্ত মরক হংজুন হংহৌখিগে। আজকাশগি স্কুলদ কোলেজদ কারিবী মিররকাব, ভাসেব, ভাতোন, শরেংখোইবী খোইসিম মচানবান ভাংশং ভাংশং ভাংব অয়ুক কা চাহুন চংনরিবসি মনিপুরদ কা হৌবঙ্গ নংত্ত কদায়দেনো?

খোই: কা চাহুন ভাংব নত্তে তাধন, তেনবা মচান শংবাম, দোকানদ য়োল্লি, শেলন সরকারন পী লাইব্রিক খং কয় ছাত্রশংদ, লাইব্রিক ফগৎনব শিল্লি রা মশা কনব চাউ হায়খহুন পীব শেন্জুন মচানবান ভাংনদ, কুরাক মারুব মতুংদ খোই ইন্নব, কাক্ত লারুব, কাটল, পোরোয় চিংনব বাক্তোন তৌরিবনি তাধন।

মৈ: হা হা...। ঐদি নহাব মথৈ থওদেদন ইম্ফালদ তোইন কারিব— সিনেমা য়েংব চংলিব থৃঙ্গংগি শহা-রোলশিংসিদি চাক ভাংনব লম্বী থিজরিবোইরে। থবক্ত শৃঙ্গিংজিব, মশাম শোল্লিব— অভাং মশীংসি য়ামথংলকো রিদ।

খোই: মধুগ মথংদ কাটলা, কাটলাগি মথংদ ভুপীমচা নাসপতি;

নাসপতিগী মথক্ত পোরোম, পোরোমগী মথক্ত উকাবি, উকাবিদৈ বোগরা পোকই, বোগরাগী মতুংদ হাংজক ঐখ নখোলদ কৈশিঙরিব সুপীমচা হৈখা পোকই। হৈখাদৈ খারদুন ডাক্তর বানুনীশিংগ তাম্লদুন হিদাক লাংখক খর হোৎনজবদৈ মখা তাদরে।

কৈ: অদুনদি হুজিক হিংলিব অঙাংসি নচা অশেংব ওইনা তাবেনে— মধু, কাটগা, নাসপতি, পোরোম, উকাবি, বোগরা অমসুং হৈখা।

খোই: ঙ হুগি মনুংদ অদুম দ মীগি পৃথ্রীদ লোকথি তাখন, ঐখ য়ুমাক পট্রান শাংদ্রু, মতুন ঐ খর হাই শ জবিবনি তাখমক্ত অঙাং যাম্বদব ওইনা উবিরিবনি।

কৈ: অদুমদি মীগি পৃথীদ য়োকথি হায়বদি ঐবু ওকপন হং লেনে ইবো খোকমু।

খোই: অদুমখক্তি পিক্লিদৈ বন্ধান থমম্রে— পোরোম, উকাবি, অমসুং বোগরা মখোয় অদুমসি মকমদৈ কোক্লগ চাক হেক চাব হেক হৈবগ মরীমত্তা মকপ মপাং মচা কৈশিব হাঙদবাশিংদ য়োকচো হায়দুন সিকি লিকদ পীশাকখ্রে, ঐগি ইচানি হায়ব মীন থংনখ্রে, খর হাই শংলে তাখন।

কৈ: সুপীদ শনীদ য়াওব্রা ইবেম্মা কৈরেম্নদি অদুম ওই হায়বতুম কৌইদ।

খোই: ইহে, ত খন, অম চিথহৌরে ঐন শক সুংশিদদুন কাউবনি। ঐংথোয় ইবাইন খর চাউরগ কৌশু চাকখোং

তৌহন্দুন য়োকখিবনি। মমিংন হৈয়াংখোই কৌই, মখক্তি ফকৈক হায়ববু ঐদি মুংশিখিজে; চহি ১৭ চংবদ নিপা অম কারণ ময়ুম পানংলে। পুম অঙাং ৮ ন, নিপা ৫, নুপী ৩।

কৈ: ইচিমাও মশীং চপ মাটৈ, ঐগিন নুপা ৪, নুপী ৪, পুম ৮। মরুমদৈ কোকপগ সিকি সিকিদ য়োম্বোকখিব অঙাংশিংহু মমাদি কপ্পা ?

খোই: মমাদি শাওই য়ানিংঙমদে, মহাক তরা নীদি কপ্পন করিনো তাব হৈব ঙম্পোং নত্তে। ঐন অঙাং পোক্কনব ডাক্তরগি হিদাক লাংথক খর তৌসি হায়বদ মান য়াখিদে, মহুন মহাক মীঙোন্দ পীখোকপদ শাওব ঙমদে।

কৈ: কায়নব হায়রসি খর লৈরগ মতম হেক্ক কাউহনবনিদা। ঐগি নুপী লৈখিরবহু নহা ওইরিঙৈদদি মচৌম্বী হায়নৈ ওঝা ইবুংঙো ফজত্রে হায়নরিবনি ফুবালাদৈ মখোল কাওরসিদ মতম অহুদ মাগুম্বী শিংঙোলদ শাংদ্রি হায়নরম্মিবনি। অহুবু কুমসিদি কাউবমক্তি কাউদে হায়রবু ইন্ফালদ কারগ কাউনব হোংনসিরা খল্লে ইবুংঙো।

খোই: রাখল তৌবিখো অধন, নহা মচাদি নিংশিংবিয়ু, চহিবু ৫০ শুধিরব নত্রাও ?

কৈ: ৫০ দগি ১/২ নু খোইরপোংনি।

অদ লাকইর্বসবু ইম্ফালগি, নাসপতি মমা মাল্লিদা, মানিদা।

খোই: ওইরিবি তাদ, অসাই অমুক লাকপানি, অঙাংশিং চানব য়েঙ্গাং নাপী ঙা চাক লোৱবনি — হেক্ত লাওও, করিগিনো ?

(লৈরেন ইম্ফাল কানব শেং চায়ে-কনেক ইরুফি নায়)

লৈরেন: (লাকপ) কারনো তাদ য়ুমদাদ,লেংশিনলকে হায়রক্লন অচৌকপ রুবসিদ নচীন ননাও কয়থ অরোনব য়ারী শারিবনো ?

কৈ: ইবেম্মা কৈদৌটৈ কুম্মকপ ? ইম্ফালন মুংঙাইবনিন নম্বোলাসদদি ৫ নী ১০ নীদং কাওব হঙাম ৱরাইমতোন অনৌবসি মহাও তংনিংঙ্গ্রেনে ?

লৈ: ঐবুদি লৈনিংই হায়বরু মপান তাল্লে, ঐবু সিদ লৈহান্নিং দে নিনীদ তুনা। খঙদে সুঙাইদ তাদখোয়প খঙন চারবনিন অরোনব অচৌকপ য়ারী য়াম লৈবনয়া করিনো।

খোই: নবুক ফত্তব তোথু কাটলাম।; ঐন শেংলিব ইল্লিব ফি-রোলসি মহাত্মা গান্ধিন থোল্লব ফিজোন্দুম ঙাক্তনি।

লৈ: ফিজোন্দ মকুদ মহাত্মাগি মতৌ তম্মগ ময়ুংদ মোৎলবদি শূদোকপ য়াবনিদা।

কৈ: থংনমু মরৈ য়েংলমু, থাজদব তোথু ইবেম্মা, হৈথাযপা সি মমাংতৌগি কাটলা মপামু ওইরবনি, য়াম্ম জান তান হরবনি। তাসি মরী মঙানীদং লৈখোদনা ইবেম্মা, ঐমু হররগে হৱাই মজল থিংত হরুব তারে লৈবাক তোখায় বদি লোইয়ে অসাই।

খোই: তাত ঐখোয়গি মনীংগি লম্পাক মতেক অতুন অমুক খোইবিয়ু হায়রগা মুম মুম য়েখোক্লুনু নৈবিয়েদো ?

কৈ: হয়েং অয়ুক্তি খোইরগে শোইদন। ইবেম্মবু হয়েং কাগত্রাও নত্রগ হংচিং ?

নৈ: ইম্ফালদ অঙাংশিংগী টেষ্ট পরিক্ষা তৌরানি হায়রুমা লাইরিক কম পানহৌই — ঐ সিদ নীনী হয়াী ওন নৈখোকপ য়াপোং নত্তে। ঐ হুজিক পাড়ী কংলবদি কাখৎকে খঞ্জরি তাদ।

কৈ: ঐ হল্লে, ওঝাসু ইবেম্মসু।

খোই: ক'ন তাদ, লেংও, হয়েং অমুক ওম্মা অসাইগি বারী মখাচু শারসি।

কৈ: হয়েং সম্পাৎ খোইবদ ঙা'নব তারে। ওসি হুংলাংদি ঐ কোইখোরকপ ওন্থোইদো'য়। (চৎথি)

নৈ: কবি বারীনোনে তাদ কৈজাওন অমুক শারসিকা হায়রবা অচুক খোৱাই য়াওরম্লিববো ?

খোই: কেরা বারেম থোরেম কাগী তৌনবনি, ইমানো অঙাং মনীং তাম্নবদ ৮/৮ মায়রে, ঐন কেনখিদৌরে হায়রুন ইম্ফালদ কারগ মাগি চাক থোংবিনব অমত্ত য়েংউসি হায়রিবা।

নৈ: ওম্লেদা নিপা হায়ব জাংসে, চহি ৫০ হেল্লগ মাব অচু-ওম বাবু বারী ওক্লন। চৎ° তা খ'সল অঙাং য়াম মান কুপাস ৱানখিবসি ভাব তারিরব নত্রাও ? মহুওম বারীবু মহাত্ম'জীগি বেশ ওন্নব . ফারন হোদোক্লুন শাকারিবখু

তম্রাও ?

খোইঃ ভাব কত্তব থন্নু হৈখামা। ঐদি মহাকপ্পু সম্পোক খোইহৌনগে হাবক্তুন কাপী তৌবনে। অখোয়মন্না রারো য়াওশংগি।

লৈঃ ঐবু ওসি কাওক্রা হয়েং কাও হাবক্রাও য়েঙ্গাং নাপী ভা চাক থবদি মুনিদাংবাই য়েংনিংইদো ?

খোইঃ হুঁ, হৌজিক অকংব থব পাক পাক লৈরগ বক্ত তোংক্তুন চংখ্রো। নংন সিদ লৈখোক্লবদি অঙাং অনীক্তু পরিক্ষা মরাদ চাওম থকফম খঙলয়োই।

লৈঃ করিগিনো ঐবু নখোলদ নোংম ফান ননাক্ত লৈহন্নিংদব সিবো ? ঐ লৈরগ করম্ব অকায়ব লৈবগে ? অক্তুম হাবন তাক্লবদি হয়েং হংচিং কাওব লৈখিব তারে।

খোইঃ শান্তি, অহিংসা। শাওগংকন্নু লৈখামা। অঙাং ৮ শুরবনি ইমানী, মবুক কত্তব তৌদু, ঐগি চহি ৪১ হেল্লে, মংক্ত ঐঙোম্দ চাহ ৩/৪ দা তাব ওইরিনি। ভারতসি অঙাং মশীং য়াম্মে, চাব ওক্লে, পুকচেল ফাব ভব তাব — শিদনব চাসি চানব হিংমুসি।

লৈঃ অক্তন ওইরে, অচিকপদ ফম্মগ হক্তুব অনীন চাক খোংথিনব নহা মচা ইম্ফালদৈ থিথিরম্মিবা ? রাকচৌদ য়াওশং...... !

খোইঃ থাজো লৈরেন, ঐ ইবুক ওয়ব নিপানি, ঐন সিদ ওঝা মচা অমা ওইরগ থাংইবাসি করিগিনো ? ইম্ফালদ

ট্রান্সফর তৌবিরো হায়রুন রা নোম্মব ফাওব য়ারব মতম্রি। অদুবু ঐ ইম্ফালদ লৈনীংদে, ইচাশিং মীন য়োকখিবশিংদু উরপ মুংঙাইতে, ইথল ইকাইখৈ পাংদে থল্লুবদগি। মীগি মচাশিংন শেংনব্রিব চানরিব কেনরিব অদুগ ঐখোয়গুম ইত্তিক চাদনা চায়রাগ পোকথগি অঙাং শিংন মনীং থুংদ্রিব, মীমাম্রব ওয়দবদৈ ইকায়রিব শাওনিংইব লম হেন্নিংইব মতৌ মরামদু ঐ উনিংদে।

লৈ: ঐখোয়গি মপাগি শোরোক রাংমদ লৈব ইবোমচা হায়ব মচা য়ারম পোকপ সনা শাবদো মচা য়াইম তাকুন শেল পীয়ু সিনেমা য়েংনব হায়বদ পীনবদৈ কদায়দনো চংলগ মথোয় অনী অদুম থকলুরমানে তাওদুন কৈফুন লাক্লে নহান, অদুগ মপাদু লৈরম্বগ মকোক থুপাইরম্বগ চেনখ্রে হায়। অঙকপনি হজিকাসদি অঙাং, মপা মমা উশিত্রে, হায়ব ইত্রে, অঙকপ অম ওইত্রে।

খোই: মদু অরেম্ব অঙাং য়াম্বদৈনি, ঐখোয়সু খোকপ য়ারিপোৎনি, মী নোক্লব য়াদে। ঐখোয়সু লাইবক থীবদে অচাং ৮ শুরেদো — মীন ৪ য়োকপীখিবগি ইমানী কয়া য়াত্রিবনি, নত্রঃদি কুম'স কন য়াররগনি।

লৈ: পোক্তব কাংবুন মচা পোক্কে লাইবক থীরে হায়রুন লাইদ পংথুদ থুরাম্ম, অচা. পোকপবু লাইবক থীব কৌবসি ঐদি তাদ।

খোই: কন মুংঙাইরব হমুংসু ওইয়ু অঙাংবু য়াম্বদি মত্তিক চান

খেদ্বি শাবিব ওমপোৎ নত্তে। অদুগ ঐখোয়না অঙাং য়ামদ্রন লাইবক থীব ওইরিবসিদি লাইদ তাইনব মাদে নংন তনখিব ঐন তনখিব, খোশাখিদব, কিখিব, অহৈব ডাক্তরশিংবু থাক্তখিদব, মখোয়না পীব থুংলাই, হিদাক ভৌশি হায়ব operation অরাইব অচম খোশাখিদব, মদুননি। অদুমক্তপু ঐন ইরৌশিং মীওোন্দ য়োকহনথি-দ্রন রাই খর শাংইবনি।

লৈঃ অদুক মুংশিব অঙাংশিংদু মীওোন্দ পীখোকখিদৌ শকক পোক্লমদযন কয়নি, ওস্থোকপ মুংশি হৈতব হিংচাব কংসাব মুম পাক্ললক্ত ন ঐ থরাই মুংঙাইদৌব লৈত্রবনি। মকুন মহাত্মা. থম্মোইম কংস।

খোইঃ মশক উরবদ্রদ মুংশিবনি ২/৩ দৈ হেন্ন পোক্লমত্রবদি ফংয়োইত্রাও? নংস্থু য়ানিংদে তল্লি হায়খি ঐস্থ খোশা-খিদে। খিংতং খোশাখিদবদৈ খিংতং তনবদৈ তাইবং মীন অন্নাব মুংঙাইব কন্না নংদ্রন লাইবক থীব ওইরি-বনিদো। অঙাংশিংদু মুংঙাইজক্রনব ইশাগি য়েংদম লান ভৌবনে।

লৈঃ ইম্ফালদ কৈদৌউ কারকপ মহাত্মাবো?

হাসপিতালদ ডাক্তর উনদ্রন হিদাক লাংথক ওপরেসন-গিরাও?

লৈঃ অহগিস্থ অহগ মুপীমচা হৈরাংখোয়দ্রন রাগি মপোৎ মচৈ অউনপোৎ ঐখোয়গি শকক য়াওরক্তে হায়দ্রম পাউ

থারকই, মিপামচাশিং পরীক্ষা থাদোরিবশিংগিসু লৈদবব পোং-ঠৈ, লাইরিক লাইস্নু য়াম্ন লৈরি। মখোয়গী ভানে জরো ঐ মুম থওদে। ভরিদ সত্য অহল ওইরকপা শেল লৈতত্ন ইচা য়াম্ব! থাবল চোংবে চৎপ মতমদদি খলহৌদেকো!

খোই: ভাইখো নহা ওইরিবৈদ লৈহাও লৈরেন মাম্নবী নংনে অদুক ফজরবদু কদায়দ লোংলুরে ছুজিক? শেলদি লাইবু লাইরি।

লৈ: অভাং ৭/৮ মা থর থর য়েন্নতুন লৌগ্রে। ফজব পান্নগ নখোলদৈ নহা অম থিহৌরো। ঐ থেংগ্রে ইচাশিংগি পোং থর লৈগদৌব হাংলি। বারেম থোরেম্ন কান্নপোং নস্তে ইপল।

খোই: নংবু ওসি ইম্ফাল কারত্রাও?

লৈ: থওদেনে ঐবু হয়েং কাযো হায়ত্রাও থবকপু য়াম্ন লৈ-হৌইদ। শেল পীররো থৈদেন কানব।

(কেয়প ভাংই)

খোই: নংগি চহিসি ৩৭/৩৮ দনিকো? শিভেল!

লৈ: করিনো চহি হংহুন লৈরবসিবো। শেল পীবিররো খুপীং মচাহুবু কদায়দ শান্নব চৎস্ত্রিবনো শুন্নাইদ উদেগা!

খোই: শেল পীগে চংলু, লৈহাও লৈরেন নংদ লৌব কংলবজি-কো খোইমু ঐন হায়হুন পাথং ওইরিবৈদ লাইনিংবিব ঐন, ছজিক মচাশিংগি পোং-ঠৈ লৈদব শেল পীবু

হায়বদ লৈন লৈন পামুব হৌনব্রাও ? পীগদবনি ৪০ ৫০ রা। ওাইখো অচুৎ নঙোন্দ, থাইন মথরাই মক শিব কিদন কোইরম লাংক্রবীড় হৌজিক মচা কয়া ওাংব্র ?

লৈ: খওজদে, খওজদে, ব্রারেম থোরেমহ্ বিং হোপোকপীর কয় চুবিংসি ওাখিদোরে। (চংখি)

মুপীমচা ! হৈথা !............ কৌরহন

(খোইমু মতুংদ ইনখি)

(হৈথা চহি ১১ রোম ওুরবী মুপীমচা স্কর্ট শেংপি, শুইটর লিংলি মতুংদ নিপামচা খোংগ্রাও অককপ শেংপ হাফ সার্ট লিংলগ মথক্তা শুইটরন নম অমন মতুং ইররকই শাম্নমিল্লকুবদে।)

হৈ: লৈহৌরো হায়বনি নাগেশ্বর, হবেং শায়সি হায়বা।

নাগে: চুমিং তাদোব বাংলি শ'মথিসে, ওসি মূক ওর তোক-ইববু করিগিনো ?

হৈ: ওসি ইম্ফালদগি ইমা কুম্মকএ, হৌজিক অমুক কাপনি হায় ঐহাকপু ওস্তা লাকউ হায়রে। অসাই ঐবু কৌথিবড় তাহৌব্রাও ? ঐ য়াওব্রবাদ নখোয়মথৈদ শাম্নব য়াব্রাও ?

নাগে: নং য়াওব্রবতি শাম্নমিম্নব মুংঙাইজেয়ে ইবেম্মা।

হৈ: করিগিনো ? লৈরাংতোম্বীখায়, চাউবথোম্ন য়াওরিব অহুদি কৈদোরগে ?

নাগে: খঙদেনে ঐদি নং য়াওরগদ শাম্নব মুংঙাইয়ে। নংবু অহুম থক তৌব্রাও ?

থৈ: ঐস্থু মংগদবুদি মীচং হেক্ক ওইখিরনিংঙে — অমত্তু শাম্নরবস্থু — অমত্তু শাম্নরবস্থু। মসিবু করিগিনো?

নাগে: থক্তদেনে, ঐদি মতদ শাম্নরবস্থু অতৈগ থক শাম্নখিবদে নংগদ শামখিনৈ।

থৈ: ঐদি মগুদি হেক্ক কাউই। ক্লাসতদি ওবাব থারা মথং মথং হংলকপদ পাম্ন: কাদবগি ওবান ফুবিগদ্রা হায়দুনা ঐন চুংশা থীরিব।

নাগে: ঐখোয়গি স্কুলদ তম্মিনারিব ছাত্র ছাত্রী বরাবশিংগি মরক ঐন তোইন উনীংবসি নংবুদনি।

থৈ: অছুবুদি ঐস্থু তৌইদা ইবুংঙো। ইমাব ইস্কালদৈ কুম্মকপদ বিস্কুইটকা মিঠাইকা থব পুরকই হায়ব ঐদি নঙোম্ম শীজনব অমত্ত ওইরবদু থাকনিংবনে ইমাব কনাগি থাকইবনো হংবদগি ইকাইছুন চাথোক্লব।

(ওঝা খোইমু অমদি মৈরেম মথোয়নীব শান্নিব বারোচ লোম্ন তারি, মমান থামনিংই মপাম রাদে, থাইনগী বা নীংশিংছুন ফারি)

নাগে: হয়েংদি স্কুল ছুটি থাবগ ঐখোয়দ উ-মদ্। চাকশিজকো। বুমগু লাম্লোং নস্তে।

থৈ: নখোয়দ মাদ্ লৌত্রাও? চৈরোয়ব্রাও?

নাগে: মাম হৌখি, [illegible] হাওই। থাইবো মচৌন ননাও কয়া ওই ইস্কালদা[illegible]

থৈ: ইচিমাও মাদি ৭/৮ ওই, অখোয়দি লাইরবনিদ ইবুং

থরদি মীন রোকপীখি। অমদি লাইরিক কৈ, গোঁবাটিন ভাক্তর ভব চংখি। অদুগ ৎচে হৈরাংখোই কৌব অমদিনে চহি ১৬/১৭ তা লাইরিকৈন চেনাক্রবা।

লাগেঃ কদায়দ চেনখ্রিবা?

লৈঃ ময়ুৎ পানখ্রিবনে নিপামচা অমদ। বাজিখোয় ইমা-খোয়ন নহা ওইন ময়ুম পাম্লি হায়হুন চৈবন মহানি। মচা অম পোকখ্রে হায়, ইচিয়াও য়াথসে শেংপ চাব নীংব থুংলেবো।

লাগেঃ ঐখোয়দি ইচিয়াও অহুমথক, কুপী অমত য়াওদে। অদুন ঐদি কুপীমচা য়ায় কুংশি।

হৈ ' হায়, কুপীমচা কুংশিকহু অহল লময় য়ায় শাওনবনি। কুংশিব হায়বসি কত্তবনি থওভু, য়ায় লাইরপাম্লি নংপাম্লি হায়সর্বনি: নখোয়দি নচিয়াও য়ামদবন ঢাক থুম্লিবনি। নজিন্থু অকব ভাক্ত লিংলি শেংজি ঐদি ইচেন শেং-লবপি অমনব ভলোকপনি। (য়েংবৈ)

লাগেঃ নখোয়পি ওবা তোলোব ২০০ চাবনদি ইনাক থুম্রপ ঐখোয়দি বাজিম লৌ উপ কদায়দৈ ইনাক থুনগবনো।

হৈঃ হুজিক্তি কৌ য়ায় ভাংবনে, কৌ য়ায় লৈবমথৈ ইনাক থুম্লবনে। অভাং য়ায় লৈব মথৈন লাইরবনে হায়বিগে নখোয়পি কৌ মরামহু বাংবরোই হায়রবদি কুপী অয় কুংশিকহু চাক য়ায় চাবনি কুপীদি। ইমান ঐ পোকপ কান্দ চাক লাইতং ১ চায় হায় বাজিন।

নাগেঃ হুংগশব মীন চাখিবদি ঐদি পাম্মুরোই, অরৈ-অরৈব চাখিন্নরগ লোইরে। তাইখো, ঐ বা অম হায়গে নং তাহু মরুম চাখিংঙ্গা? ইমানো তাহু লোইশিদো খেজ খায়নরগ।

হৈঃ মরুমদি চাখিংই, ঐখোয়দ লোইখদি বাজিন চৈনি, পুঞ্জী শিকই।

(লাপ্পন্ন কৌরকই, খঙদনব)

লৈঃ তুশীমচা! মখোয়বু করি শায়রিবনো ইমা খেংএ্র। খৈখেম্ব চংলুসি লাকও।

হৈঃ হয়েং শায়রসি চংলোমে নাগেশ্বর।

নাগেঃ করে, চংলগে। (চংখি)

লৈঃ নংন হুনজ্রাও তাদ কোৌগেদি হায়দনা?

হৈঃ ক্লাস কাইকত তশিন্নবনে ইমা। মসিগি নিপ্পামচা অসে মবুক য়াম্ম কৈ পঙবন মহানি, মান মবুমদৈ কুমদ পুরকথ পৈশাদো ঐগদ চাম্মিরৈ পোৎচৈ লৈরগ। মখোয়দি ফো কোং য়াম্ম চাউই।

লৈঃ উম, মানদি নংবু য়াম্ম লুব তৌরিবোরেসে।

হৈঃ ইমা নং ওসি লেকখ্রোবা?

লৈঃ নপান লেকহন্নিংদে নবুংগ নচেগ থরিক্কা নকলে লেবা তৌবিনব লৈতে হায়ত্রুন।

হৈঃ বাজিবুদি ঐ তাংনবিগে; অতাং ওইহ্নিরৈদ মখোয়নী শায়মিরৈ হায়বদায়, হাজিক্তি খৎনরজ্রাও?

লৈঃ খৎনদেদা। (চংখিয়খি)

(লাপ্প য়েংলগ খোইবু মখি তারি)

হন্দবা মতাং

ইম্ফাল হুংখিল পুং ৩। চৌরু লমজাও মখাদ লৈকোন অম লৈ, লখীট্রে মীন উদে, উ-য়েংদো শখন চেংব খাকন, খোইমুগি মুখগি হিক্তোলদনি, মেক্ক মচা অম লৈকোন্দ লৈ, মঙ্গল পাথং অরিব চন্দ্রসিং (চহি ৩৬) মুট চাই শেংলাম কেনা কম্বি. ফুব্রিংখাওদৈ মিংশেল মচা পুখোক্লুন মহা মাব্রব শমজেংস্ত্র হাংলি। মী ভাগ্নি সিনেমা য়েংমিন্নকনব, মখাই মংতাইন উই। পুং ৩ তাগে তুর্কি চমচুন থকই, মুমদৈ মী খোরক্রুত্রা হায়চুন চহাক লৈজন য়েংই।

তাহাক ভাইকপ কনেক মপান নাইব শেংপী, মুইটব, কোট শিংপী, কেয়বী নাসপতি (চহি ১৯/২০ লোম তরবী) খোরকই।

মাসঃ হাঁরে হায়বমধৈ ভাইবিয়েদো থুম্নাইবুংতো ইহে, তাদ ইবুংতো।

চন্দ্রঃ এঃ কবিশি ব্রাক্ষদগে? ভাইবস্ত্র স্তংতাইব অম খাওবিদবো।

লালঃ পুং কয়া তারবগে? সিনেমা কৌপ্রবিত্রা?

চন্দ্রঃ পুং ৩ থম হেঁজো, ৩।। দা সিনেমা হৌব ওইরিনি

ইখোলদি লেংলরোই হায়রাও ?

নাস: ইমা য়াওরগ রায় চিন্নবনি, রারো শাব খুংডাইরোই হায়-
তুন যুম শংলম্মব। রারোবু ডাহাক শাখিসিদ।

(বেঞ্চ অচুম মনাক্ত হন্দোইদনা চেক কপ্পি, নিপাতুন
খর লাপ্প হন্দোকই।)

সিনেমাগি টিকেট ঐখোয় অহুম য়েংলবদি লুপা কয়
খোকই ?

চন্দ্র: লুপা ২/২ অহুমদি ৬ নি।

নাস: সিনেমাদ মমি য়েংবগি লুপা ৬ তিংদো শরুক সিনেমাগি
হেরো শাবিয় ঐব চেরোইম শাজগে লুপা ১০ তিংব
পাম্মুবিরা ?

চন্দ্র: ওহাক ওরুগ পাম্মুজদে লুপা য়াওজরি, ২০ না ৩০ রা
তিংজগে। (লুপা ৫০ মুক পী)

নাস: লুপা ১০ দ পীবিয়ু, পরীক্ষা মমাংদ ঐগ রারো পুংখাই
অমরোম শাবগি fee লুপা ১০ না লৌই।

(১০ পীতুন বেগত হাপ্পি)

Thank you, মতম মাংদনব পুক্নিংদ লৈব অশেং
অশেংবতু গান্ধিজীগি নীতি ইন্দুন হায়নসিকো।

চন্দ্র: ফানি অশেংবদ হায়নব হোৎনজগে, মহাত্মান কৃপা
তৌবিসনু।

নাস: মিং করি কৌবি, চহি কয়া ওবিরে ?

চন্দ্র: ইমিংন চন্দ্রসিং কৌই, সাপম মচানি, চহি ৩৬ ওজরে,

মুপী অমুক বিজয়রে, মহাক লৈখিদব চহি ও লোম শুরে। লাইবক লৈরবদি ইবেম্মখোইগুম্বী নত্রা অমত্তং শাশা তৌজরি। ঐগি তলব লুপা ৩২০ নি হুজিক।

ন,স: ঐন ইমং নাসশক্তি কৌজৈ, নাওয়েম মচানি, চহি ১৯ লোম শুজরে কুমসি মোত্রক থাজনি। ইমা ইপা লাইরৈ হৌচিন্নাও ০/৮ শুজৈ। ইমান ঐবু (ইকাইব তোক্‌ন) ইমান ঐবু চাক থাকপ, কিয়োল লিক কোল খোনব হাদনব চহি থর অহল ওইরপ তৌব তলব য়ামলপ চাব, শেল কোয় শিজিন্নব নিপাদ থাজনীংই। ঐবু পরীক্ষা মমাংদ সিনেমা য়েংব চৎচক হায়দুন থাদোকপী। ঐনদি অকোইব লম্বী পাম্বজদবন, মতম মাংদনব ভাংন-নীংব রা পুম্ব শং শং হায়নব পামজৈ। আশা তৌবি রিব নত্রা অমত্তং হায়বীবত্থ ঐগি ইশক, ইহে, য়াতাং লাইরমচাগি মচোপ ইকাইব থডনব ইচৎ অসিন শিঙ্গব য়্যাগদ্রা? (কে—না লোইশিন্ন)

চন্দ্র: অশেংব ওইরবদি পিন্ধাইগি তেঙ্গোং ফবগি মহুৎত সনাগি তেঙ্গোং কংলবনি থঞ্জনি। Bronze গি মহুৎ Gold medal, Gold cup.

(মথুং থাজংদুন হয়াওই)

নাস: সনা অশেংবনি, অয়োম্বনি, অকল্পনি থডবিখো অমুক্তদি ভাইবিখো।

মুপী অম হায় থিবীবত্থ অতাং কয়া থনখনে— মুপীদুন

করি লৈনান শিখিবগে ?

চন্দ্রঃ অঙাংদি মুপীমচা অম থনশি, চহি অনী শুরে, মুপীছুপি মপান থোকখ্রে। ঐন লোয়রম মুপীদু খর চাগনথকল্লি. দাইরিয়া খোইন তোগল্লি ঐন টুর চৎলুব হল্লকপা ডাক্তরন য়েংবা য়াদমা থেংনখি, কোলেয়ান পুখ্রে। মুপীদু খর চাগল্লি, মরমদি ওকই।

নাসঃ অঙাং কয়া য়াম্ন পাবীগে ?

চন্দ্রঃ নিপামচা অনী, মুপীমচা অম পা ম্ম।

নংশঃ মতুদগি হেন্দনব পাইব family p'anning গি ডাক্তর-শিংগি পাওতাক, হিদাক লাংথক য়াবিদ্রিংত্রা।

চন্দ্রঃ ঐ য়াজনীংই, লৈবাক মীয়ামগি ফনব, সরকারগি ইমুং চাউদনব থোৱাংদু ঐ থাজে. মদু ইম্নব ডাক্তরন তাকপ থবক পুম্ব ত্তো হায়ব য়াজনি। ইবেম্মদি অছুক কুম কনাদে থঙবিবগে অছুক নহা ওইন ?

নাসঃ মীসি সজন শিংব হেঙ্গৎলি, হুয়ানব মতুংদ মৈরিংব হায়ন-বদু ঐখোয় ইমুংদ থোকখ্রে।

চন্দ্রঃ করি মাংখ্রুনা ইবেম্মা ?

নাসঃ পোৎ মাংখিব মক্তি নত্তে; ঐখোয়গি, বাজি মচা য়াম্মি ৮/৯ শুরিনি, ঐদি মশকপু লোইন খঙদে। ঐখোয়দ পুম্ন লৈমিম্নদবন।

চন্দ্রঃ করিগি কনাদ লৈখিদুন ?

নাসঃ মরুমদে কোকপদ, কোকথদ ডাইরিদৈন লাবদু অমোমদু

ঐখোয় বাজিন সিকি সিকিদ মীতোপ্প পংঙোপ্প য়োন-থোকখি। ঐখোয় ইমুংদৈ হৌরকপ অহোংব অতাং অসিবু পাউশিংসি তাবিরগ হজিকস্তু আশা তৌবিরিব্রাও?

চন্দ্রঃ কুপাইন শাংলকপদ তাইরিবী থবাল ১০৮ অতাংবী, ইবেম্ম নংন শাংকমস্তু পাংকি ককই মরক ওইসন্নু, উ বা, হাচেং ইতিংনব থোংবাস্ত ওইনস্তু, থবাল নংবু শ্রী গোবিন্দদ কংপ মতমদ করব ব্রাহ্মন পুজারীন হৌতনা পাং পুথ্রীগি মকম মশক হংনবগে।

নাসঃ অতাং মশীং কা হেল্লবদগি, সরকারন ইমুং মীশীং কক-থনব তৌবিব থোরাং থোশাকদবৈ, operation কিক-বদৈ ঐখোই বাজি ইমা অমস্তুং ঐখোয় মযাম য়াম্ন নংলে। হজিক্তি বাজিচু গান্ধি ভক্ত ওইরে। পুকচেল ফাব ওসে, মী থুদিংদ অতাং মশীং য়ামদনবৈ লেকচর তৌরে, তলব চাদব পাওজেল চীন ওইরে। হুমানগ্রব মচুংদ মৈমিংব হায়বচুনি। ইহে operation তৌই হায়বস্তু কিবব্রা?

চন্দ্রঃ নিপান কনদোম শিজিন্নব য়াই, অতাং ৩ লোম অপাবস্তু শুরবদি মচুংদ পোক্কনব ভেজেটোসি হায়ব অচম্ব operation মিনিট ৫ দং চংবস্তু নিংশা অমন কিতম থোক্তে। ঐ কিজদে।

নাসঃ সুপীদস্তু ওপরেসন তৌনব্রা? ঐদি মস্তু কিজৈ।

চন্দ্রঃ সুপীগিদি লুপ, দাইয়েফ্রাম শিজিন্নব য়াই। থোইন বাই

চিনব নত্তে। হাপই তায়ব থংবু থগনদে, করিমত কিনিংঙাই লৈতে। অদু নত্তব শিজিন্নব য়াব tablet Cream, Jelly কা হায়ব ইরাই লাইব ইচম চম্বু লৈ। মতমগি য়াওন অমনীন লাইরিক হৈব জান লৈব মীন হিরমগি থগদব থিদব য়'দবদৈ, Condom, diaphragm cream কা পায়ংদু ঐ লৈহুন য়েংকনে হোংই য়াম। অপঙবশিংন থৌশানদবননি।

নাসঃ ইহে ঐদি ইকাও কাওই, লৈবগি য়াদৈ, মীংশিংদু পরীক্ষা থাদোব থা ফাব্রব ঐগি লৈগদব লাইরিকপু ইমান শেল পীদহুন লৈজিনা।

চন্দ্রঃ করি লাইরিকনো? লুপা কয়া পীব জাৎনো?

নাসঃ অতাংববুদি নত্তে সাইন্সকি লাইরিক অমগ short কই থরগনি, লুপা ১০ দনা ওকদবনি।

চন্দ্রঃ সে ১০ সি পাইসিন্নু। (পী ১০ চৎপী ১)

নাসঃ Thank you, শেলদ পংতিংদ ভিংবিরে। অশাই পীবিবহুন লৈগে থগবনে।

চন্দ্রঃ সিন্নু পায়সিনবিয়ু। (লৌরগ বেগত হাপথি)

নাসঃ ঐগি শেল মপাম, য়াতাং শাতাং, মীকি লাইকিদবসি উসিরগ কিবিরাও? অশেংন হায়বিয় পাজীপাপি জিলব অচুবদ।

চন্দ্রঃ মতম মাংদনব থবক শিংতনব ইবেম্মন চৎলিব তাংইমসি ঐদি কন পামজে। ইতাংনি হায়বিমু ঐন থিংতং হুংশা

থৌব হায়বনু ঐসি ইবেম্ম হায়বদ ইন্দুনে খুদোঙ্গীদ মৈহুন পূব হায়বহু তাহুন মীন থর নোক্কগন্না। অহুম্ন খুংশি মগুং লাংগি করিমত্ত ইকায়জরোই।

নাসঃ তলবতি হুজিক ৩২০ চাবিরিব. কয়াদ লেপকদবনো।

চন্দ্রঃ কেয়াদৌ মচানি ৪৫০ দা লেপকদব। লৌ পম্রী ৩ লোম মৈক্তৈ চেং য়াঙ্গে, ইমানে ইনাও অমনে ঐখোয় ৩ ম চায়।

নাসঃ অচাং ৫ পা ৬, ঐগ তমেং, লৌ পম্রী ৩ দৈ কায়কব কৌদি ?

চন্দ্রঃ কৌবোং ১২ অহুম ৩৬, থর বাংলবসু বায়ব শেল বেঙ্কটা লৌশীং ১০ মুক থমজরি বাজিন Life Insurance য়াওরবৈ।

নাসঃ বেঙ্কতৈ শেল্ম কায়খে.কপীব য়াদে, ফুটর মৈনীংব অচাং য়াওরকপ য়াই।

চন্দ্রঃ কায়থোকচরোই।

নাসঃ লৌ পম্রী অহুমগুদি থর নোম্মি মী ৭ চানবদি, অঙাংসি হায়নু অম মৈরবনিন ২ দৈ হেনব য়াদে মথা তাদনব operation তৌব তায়বদি কিপন্দব অহনদ তৌব তায় ঐতোন্দ য়াই চিলহনগনু।

চন্দ্রঃ চিলহজরোই, operation মচা তিংথং লোথোকপত্তবহ কিব নিপা নত্তে।

নাসঃ হজিক্তি ইপামদ ঐন হায়রিবমখৈ হোয় হোয় হায়বিরি, হয়েং নমুম য়োরগ খুড়াহন মংব চায়ন তামব য়াদব

জাংলাও ? (মুম্ন মমাইদ য়েংই)

চন্দ্র: (মোমোম তৌরগ) গান্ধীজীগি মিংদ হাশকউরো, ঐ তৌজরোই। মুপী লৈখিদব চহি ও সি, মুপীদ নমথাক জৌবম তৌররোই, অরানব শাজং চংলরোই হায়হুন সক্কম তৌরিবনি। ঐগি করি ইরালদৈ ঈশ্বর ইবুংঙো অহুক নহা ওইরিবী মমাহুবু মচা ১ থমদ্ধগ মতম চাদন য়াংহনবি'খ'নো ? (কপ্লি কপ্লি)

নাস: কপকম্ন তা শঙ্গং ঐ কপ্ন তানিংদে। হ্রচহ্ন চাক শুংশিমলুন লৈখিদবনি, ঐদি খিক্ত চায়। ঐহাক্কি অদে মদ লৈব থোক্লবদি চাক্কাগ অদোম্নু য়াম্ন হেন্ন মুংশনি খঙ্ঙু।

চন্দ্র: মহন ঐমু হবেম্ম থম্মাল মানশাবু অ'শ .তৌজরিবনি।

(চা গ্লাস ও পুহুন মশা লাকই)

লৈ: সিনেমা য়েংজ্রবদি কৈদোরে? মুপীমসা নংন নিংজাই তৌহুন তোকহল্লাও? অশাং লম হেনব করিগনো? মধান মচাগি ফগুনব শিল্লি হায়ব কৈদোক্তৈ ফদায়ু ত গ্রংগে? ঐবু মীশক থংদবী অক্লাহবীরাও— হবুংহে আস মতিক চাব নিপানে খঙ্ঙো।

নাস: ইম শাওগংদিগমু, ঐ লম হেনবী নহা নচ্ছদে। ইমাশ খুজিন থোরাংহু মতম খিংতদ পাংথোক্লব মচান থুড়াইবু তোঙ্গিগ হায়ী শাজরম্মিবনি। ঐগি কননব শিনবিবগিদম ইমাবু থাগৎচরি। Thank you good mother.

লৈ: চা কাল্লু ইবুংঙো, কৰি কৰি মংয়ৌদি শাৰে, মুমিৎ থানৱব্রাও ?

নাস: লুহোংবগি মুমিৎপুৱাও ?

লৈ: কনাগি লুহোংবনো, শেল লৈতে, অভৈনপোৎ লৈতে, মুমিৎ অফব অমদ কোক চেনখ্রুগ পোই র, ইশম শম।

নাস: ইমান ঐথোয় বাজিদ লৈরব কান্দ লুহোংবিব ওম্মোইদব ওইরবাদ কৰিগি নচা মুপী ঐবু পোকপিবগে ? চাক থাকপ মাগদব নচাশিংভু পিক্রিডৈদ কৌব্রুদা থোক থোক কথোকপীখিব মাগ্রাও ?

লৈ: নচীঙাহ্ম ভানিংদে।

চন্দ্ৰ: চুপীমচান লুহোংব পাম্নবদি অচংব শেল পুম্নমক ঐন পুথোকচনি লুপা পৌশীং ৩/৪ 'দ মাইবক য়েংজগে।

নাস: কদায়দগি শেল'মা ?

চন্দ্ৰ: বেঙ্কট লৌশীং ১০ লৈ, মীঙোইদ্দ পুবস্নু য়াই, আফিসকি কেশিয়ারদৈ মাইবস্নু য়া'নি।

নাস: ইকুবোক্ক থন্দ্ব বেঙ্কটগি লঁশী. ১০ তু কায়থোকপ মারোই মওশিংগি থবগদবনি। আফিসগি পুবস্নু লোম্ন লো-থোকপস্নু মারোই মিংচৎ অথীব শন্দোক্কব।

লৈ: এঃ নথোয়নী মীচং ওইরম্মব ওইরে।

নাস: তলব ৩২০ চায় হায়বম্ন মুনগি থরাকিদমক থম থাক-হৌরগ ঐঙোন্দ থিজিন্নকই, ঐঙোন্দ ফুংথৎলিব শেলম্ন

মতিক চারব মতমদ লুহোংই হায় চেল্লি হায় তৌব তাব।

চন্দ্র: থা ১০ দা লৌশীং ৩ শুনব অহুদি লুপা ৩০০ থিজিনব তারে।

নাস: লেমহৌরিব লুপা ২০ ছুন করি চানি মীতোঙ্গি নমথাক লৌনমদ শেল চানীংঙইদ্রাও কেরানী বাবু?

লৈ: মুপীমচা নখোয়গি ভুংথংভৌরিব শেলচু ইমা পাররি-গেকো, মাংহল্লোইদা।

নাস: অতোপ্প ইমুংগি শেলনি, ইমা নংন পায়ব য়ারোই নচা য়াম্মি থাজদে।

চন্দ্র: অছুপ য়েঙ্লাং লৈনব ৭০ থাকহৌরগে থা ১২ দা লৌশীং ৩ ফানব।

নাস: লুহোংবদ শেল অরেম্বদ মাংহনবচু পামদ, চেনগৎবনি, লুপা লৌশীং অহুমছুন য়ুম পানবদ চংগনব পোৎ তৈ, অউনপোৎ থর লৈশিনগদবনি। ইমা নং ঐবু পিক্লিতৈদ হাৎনিং হাৎনিং হাৎপিদন য়োকপিরকপগি লুপা কয়া ক্ষতিপুরন পীয়ু হায়রগে চাক থাকমন?

লৈ: নমন ওইনদি লৌনিংদে মুপীমচা, লাইরবন ননীং থুংব শেংহন চাহনব ওমদে, মচু শাওমু। নখোয়ন ভুক ভুংশিরগ লুপা থরদং থংউ কৌ হোংগৎলিতৈ থিংত য়ালংহোগে, চহি থানরিবচু ওত্রিতৈদ কোক শিংজিনগে ইমা।

নাস: মচু কোয় থরসি, হজিক থুংত শেল লৈত্রি।

চন্দ্রঃ কৌ য়াম্নব লুপাহ্ ৪০০/৫০০ দ ওইরবদি ঐ থিজরক্কে।

নাসঃ কনাদৈ থিরুনৌরিবা? অরেম্বদ কোক চাউনব তৌগ্নু, হয়েং খৌদোকপ য়ানী মরীমত্তা খোরুগ্রবদি পঙগন্নু অহল। ওলব হেক কংবগ ২৫০ চু পুরকউ ঐগি খৌব কনব ইখুৎতৈ পীখিগে। থা অনীদ ৫০০ ফারেদনা। পুং কয়া তারে?

চন্দ্রঃ পুং ৪ রোম তারে।

লৈঃ নখোয় সিনেমা য়েংজ্রে?

চন্দ্রঃ ঐগিদি য়েংউসি হায়রবস্নু য়াই।

নাসঃ সিনেমান হেন্না মুংহাইত্রাও ওঁজক্কি বারীবুবো? অসাইগি শেলচু হনবিয়গে?

চন্দ্রঃ কদায়দগি হনবিন্নু।

নাসঃ লাইরিক থিংত লৈবিয়রুসি, পরীক্ষা পাশ তৌদব য়াদে (চংলি) খর কন্ন পাব তায়।

চন্দ্রঃ অচুমি ওহাক.—।

লৈঃ চংলু চংলু। নখোয় চানন চেনবদি নত্তেকো?

নাসঃ ইয়া, ঐবু অহুক পঙহ খনাবিন্নু।

(চংখ্রগ)

লৈঃ মসিগি মুপী মমাবু হনবাস কদোমদ খোরুদোরিবনে! খওজে! (য়ম চংই প্লাস পুশিন্দুন)

(লৌবাইদাগ খোইমুন কৈজোম, ফুরিং খাদিগি

শেংলি, খোংউপ কিম্নি অমনব অম তোংই, চেং খাও অমগ য়েয়াং মনা মশীংময়োম অমগ খাও অমদ পুয়কই। মমাং খাস্থন হৈখান চু মকক থয়, য়োংচাক চঙোং, পাল মস্না ময়োম পুহন লাকম্নিয়ৈ। মখোঙ, মকি নখোলগি উফুল থয় চেপ্পকই বন্ত থয় তোংলগ গাড়ী বেয়া তৌবন মখোঙন মাইল ২/৩ লাকপননি।)

হৈঃ ও ইম। ও তাচৌ। লুখন লোইয়ে, পোংচৈংসি থয় হোস্নিনব য়াওরোও।

(মপা মচা পোংময়ামছ্র থাদয়গ ফমহুন পোখাই অয়াব মতৌ উংলি, উকুল কপ্পোকই। ছুপীসচা হৈখাদি চু মকক অম চাব চৌই। খোইমুন নিংথমখাদ ছমাই ছস্নি।)

হৈঃ ও ইমা। ও ইমা। ঐখোয় লাক্লে পোং থয় লৌশিল্লো। নখোয়ন চানবনে।

লৈঃ (কিজাও কপ্পোয় অম ইল্লগ, কেনাং তেক তেক তোংহুন খোয়ল্লগ)

হৈমা করিনো নিংথম খাদ ছমাং শৌয়জাও পোং থিংতং পুয়কপদ? ঐদি ইশি শিন নোকনিংইদা। নিপান অস্নুক পাংদবদি।

খোইঃ নং অমুক্ত পুহুন য়েংলয়াও মাইল ২ দং।

(শাওয়গ য়েংই)

লৈঃ ইমা নংনে হয়িংখোই য়ানীদৌনা মুংঙাইনা কখচুন চানব—হপা ইচান পোং হোজরকই। নচা মপা মপীশিংছ্ কদায় কদায় চংখ্রে?

লৈ অমন থৈদেম্দা লাইরিক লৈব তাখি, অমনা অসাই অমুক লাইরিক তম্ব তাখিবদগি কুম্মক্তি। পোং চৈদি কোয় হোজিনব য়ারে, মুম য়ৌরবনিন। নপা নচাবু পোহুন থাংজিন্নু হায়রাও? কদায় চুহ থুমরা য়েংগে কনাদৈনো?
(মকক অম চায়)

লৈঃ ঐবু য়ায় লুন তৌই হায়ব, মামংনে নাগেশ্বর কোব নিঙা মচাহুন পীরকপনি মথোয়দৈ লোয় য়ায়গ, য়ায় থুশনি।

লৈ: ইয়া নিঙান ইচাদ পীরকপ চুসি কন হাওই। হৈজিং-পোংলা করিনো।

লৈঃ ইমা হায়বদি?

খোইঃ অঙাংদ অহুম কাপী তৌহ্ লৈবেন, তাওশিন্নহ্ পোং চৈসি লোইশিন্নু। অঙাংশিংছবু লাইখিক্তি ওরাইদনা কোইহুন লংহুন তাক্ত লৈরব জাংলা পরীক্ষা থা অমত্ত তাইরব ফাওব?

লৈঃ কন কয় ওরাইজবনি হজিক্তি মহৈ মহৈ থকক চংনথিহুন তৌবনি।

খোইঃ খওজে কংদৌরিব তলবনা লুপা থর কক্ষুন লুপা ১৭০ য়োমদ, চংকদৌরিব শেলনা য়াম্মিব জ্ঞান তাংপাং ন.হ

কৈ: নিপাঙচা অহল মধুন গৌহাটিদ কম্রি কম্রিনো কৈনব লুপা ৫০ দাম থারক্রব য়াদে হায়রকপনি হায়দে হায়নি লংকৈ্থিন অকবনি।

খোই: মতোম্ম ৫০ অম, অড়াং অনী পরীক্ষা থাদৌরিব কাটলা। নামপাতিগি লুপা ১০/২০ না ওক্রম্রা?

কৈ: ৩০/৩০ দি চংলগনি অমমম্র।

খোই: ১১০ চাংম্রে, ৬০ লেপ্নিবসিন ঐখোব মতান থা অম চানব তাববদি কৌ শংবাই ৪ রানব কংলো, ঐখোয় নখোলদদি য়েঙ্গাং হোইদো ইংখোলদ, নখোয়দি কম্রি চানি?

কৈ: থাব অনব মখোয়দি শজিক, পাংখোকপ নত্রপ কৈবাক মরাইন চাজনি।

কৈ: থডদেনে ঐখোয়বু করম্র হিংদগে? দোকান অনী অহুমদৈ ভলব কংলপ পীনি হায়ত্রম শোংলিব শেল মক্তন লুপা ৪০ দি শুরম্মনি।

খোই: থডদেনে ঐবু ফুরিংখাও চম্র, থক্তন তীব থর তমগত্রা করিনো। কন চেকশিম্র ইচাশিং কাওব মীতোম্ম কৈ-দোক্তন য়োস্তোক্তন হোংনরিবনি, অহুমক্তদ অমাব ইকোক হেক কোক্তে।

কৈ: রাংলিম চংকদব শেল মরামসে। হৈরাংখোয়ন অউনপোং ঐখোয়গি শরুক শাল ইয়কি ১, মিংশেল চনব উপু

মচা ১, রেঙ্গীং টেবিল চাংত উগি অমগ হায়রকপনি।

খোই: হরিবোল! হরিবোল!

হৈ: হরে, হরে! কুমগি মতম— ভইবনা!

(remembering the post mutters)

খোই: লৈরাংদো! খোইরুদো!

হৈ: ইমা ঐখোয়গি কবুলিয়ালিংগি মপান শাংত্তোব ওয়া বাংলি? লৈহি চুম হাওনিদা!

লৈ: ইহে, ঐখোয়গি সঙ্কোং মপান থৌরিব কবুলিয়া পাথৌগি মথা অমদ হরিংখোই মকোন শাবে, মতুপিদু লাই খুরুম্ব ভারি।

হৈ: লাই খুরুম্ নুদ, খোইহী লোক্ৰগ ঐ থকে ইমা।

খোই: সঙ্কোংদ হায়বা? মমাই কদোমদ ওল্লি? খোইন লৈহী ফুংখংপ!   (শোল্লি)

(পোং চৈ পুশিল্লগ চংলিয়ধি)

হৈখান ঈশৈ ওংহন খোইশাব মকমতু রেংঃ

হাওবনিদ লৈহীদো,
কবুলিয়া মপান চুম্মদো!
তাওশং মচুন মায়বৈ,
চৌমথায় ইতৈ লৈনবৈ!

কাদোন ছুটি থাবকান
অভাংন মথে লাংবকান
লৈহীন নিক নিক থাবকান
খোইনীং কনাম কাউগবা!

Cow boy ফিজেৎ যোৎনা, শেগাইন শেংগ, মকোক টুপী নমগ কক্নোটি য়েংগ— অঙাওবকি মাচা চহি ১৩ লোয় ওয়ব, ফুরিংখাওদা থাং হাপ্প উকাবি লাক্লগ হৈখান শকপত্র ওহাক তারগ য়েন্থুন লৈ।

উকাঃ নুপীমচা! ইবেম্মা! মা অম হায়গে লিদ লাও।

হৈঃ কনানো, করিনো? ঐবুয়া? ও ইমা!

(কিব উংলি)

উকাঃ মা হায়গে তাও, কিগনু— ঐ অঙাওব নত্তে।

হৈঃ করিনো? লাপ্পা হায়রো।

উকাঃ নাওয়েম খোইমু হায়ব নত্তোলদ ওঝা ওইব খুড়াহুগি য়ুম খঙব্রা? কদায়দনো?

হৈঃ য়ুমসিনে. ঐখোয় বাজিনে খোইমু হায়রিবদো।

উকাঃ খুড়াহু লৈব্রাও? মী লাকই অঙাওব নত্তে অমুক্ত হায়রু।

